তুলসী মহাত্ম্য

ডাঃ ইবোবী সিংহ

তুলসী মহাত্ম্য

ভাষান্তর কার্ত্তা—

ডাঃ ইবোবী সিংহ

শগোলবন্দ মোইরাংময়ুম লৈরক

ইম্ফাল ১৯৮৫

শ্রীএকেঃ ব্রজবিধু সিংহ গী

ভূমিকাগ লোয়নব ।

প্রকাশক :--
দীনতম
ভাষান্তর কর্ত্তা ।

অহানবা, খুৎনম, কোপি ১০০০
ইঙেল পূর্ণিমা ১৯০৭ শকাব্দ
জুলাই তাং ৩।৭।৮৫ ইং নিংথৌকাবা।

সত্ব পূম্ব অফোঙবগীনি।

এম, প্রিণ্টিং রার্কস।
তেরাকৈথেল, ইম্ফাল।

মমল লুপা ৭.০০

উৎসর্গ

ইপা হায়বসি ধর্ম্মনি, ইপা হায়বসি স্বর্গনি,

ইপা হায়বসি নীংনফমনি।

ইপান পেনবিরবদি, লাই পূম্নমক্কুম্ন পেনবী হায়নৈ,

পেনবীয়ু ইপা ইবুঙো॥

নীংঙমহৌদ্রব নচান, নিংশিংজব ওইন তুলসী মহাত্ম্য,

হাপচগে থুবাক্ক।

লৌবিয়ু ইপা ইবুঙো, পাঠক বর্গন পাবিরগ

ইপা ইবুঙোগী অত্মান পেনবীয়ু॥

—নিঙমহৌদ্রব নচা

শ্রী ....

লৈফম ....

হীরম লামায়

হীরম | লামায়

রারোল অমতং

শ্রীশ্রীতুলসী দেব্যৈ নমঃ

তুলসী, সুরসা, গ্রাম্যা সুলভা, বহুমঞ্জরী।
অপেত রাক্ষসী, গৌরী, শূলঘ্নী, দেবদুন্দুভিঃ॥
তুলসী কটুকা তিক্তা হৃদ্যোষ্ণা দাহপিত্তকৃৎ।
দীপনী কুষ্ঠকৃচ্ছ্রাস্র পার্শ্বরুক কফ বাতজিৎ॥
কৃষ্ণা শুক্লাচ তুলসী গুণৈস্তুল্যা প্রকীর্ত্তিতা॥

বেদিক ঋষিশিংন তুলসীবু অসুম খঙ্নৈ। মাহাকী গুণদি ফক্ন থাব মহাউ লৈ, থবাক, চাকপ, উষ্ণবীর্য্য, ঈ শাগৎপ, ঈগী শরুক হেনগৎহনব, হকচাংগী মৈ কলহনব অসি লৈ। মসিন ফব ওয়দি লাইফুং (কুষ্ঠ) ঈশিংলিকপ, লোকি, ঈ কত্তব, হকচাং নাকন্দ লেংব, কত্তব মুংশিং অয়াম্ব মাঙ্হনব ঙমই। তুলসী অঙৌব অমুব অনিমক মগুণ চপমানৈ।

অতোপ অতোপ্প লৈবাকী মীশিংন তুলসীগী মমিং অসুম কৌনৈ। হিন্দুস্থান (তুলসী) গুজরাট (তুলসী) বোম্বায় (তুলস) কর্ণাত (এবেড তুলসী) বাঙ্গলা (তুলসী) আসাম (তুলসী) ফরাসী (রেহান) আরবী (উলসী বদরুত) মহারাষ্ট্র (তুলস) তামিল (তুলসী) দক্ষিণাত্য (তুলসী) মালয় (শিব তুলসী) সাউথ আফ্রিকা (মোসাফি উতো প্লান্ট) ইংরাজী (হোরাটবাসিল) লাটিন

(ওসিমম এং বং) মেডিকেল (হোলি বাসিল) মণিপুর (তুলসী) (আয়ুর্ব্বেদ দ্রব্যগুণ অভিধান) তুলসী হায়বা পাম্বী অসিবু পৃথিবীগী মপুংদ লৈব সভ্যজাতিন খঙ্নদব য়াওদে। মসি করিগীদমক অমসুং করম পুখোকখিবনো হায়বগী মারোল অমন জীবশিংগী কান্নবগীদমক ভগবান শ্রীবিষ্ণুন সমক্র লৈব মতমদ পুখোকখি হায়ন স্কন্দ পুরাণ হায় অতুগ গরুড় পুরাণ প্রেত কল্পদন জীবশিংগী কান্নবগীদমক শ্রীবিষ্ণুন মাহাক্কী বীজদগী বনস্পতি অহুমখক তুলসী, হৈগ্রু, মালতী হায়ন পুখোক্লুন মর্ত্তদ পাম্বী ওইন হৌহনখি হায়। পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্ত পাম্বী অসি মরাং কায়ন হৌরি অমসুং থানরি।

ব্রহ্মদেশকী মফম অয়াম্বদ জঙ্গলদ চাং য়াম্ন হৌই হায়নৈ, মতু মখোয়ন হিদাক ওইন শিজিন্নরি. নিতিগী ওইন হকচাংদ কান্নবন মাগী মচুম থকচব অতুগ মনম চিংশিনবতদ অয়াম্ব অনাব, অরুম লাইহৌ, লোক পুন্নমকী মহিক হকচাংদ চংব ঙমদে।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী হিন্দু, বৈষ্ণ সম্প্রদায় পুন্নমকী মী খুদিংমক্ক তুলসীবু য়াম্ন লুন পূজা তৌহুন য়ুম খুদিংগী থানরি। যাগ, যজ্ঞ, শান্তি অমসুং শ্রীবিষ্ণু পূজাদ নত্রগ নিতিগী ইষ্ট পূজা তৌরিব বৈষ্ণবশিংন ভগবান্দ করিগুম্ব কৎপ মতমদ তুলসী পত্র য়াওত্রবদি সুকয়া য়াদে মসি থোইন হায়নিঙাই লৈতে ময়াম্ন হেন্ন খঙ্বিরিবনি। বৈষ্ণব সম্প্রদায়দ নত্তন অতোপ অতোপ্প ধর্ম্ম চংলিব মীশিংন ফাওবদ তুলসীবু লুন পূজা তৌনৈ। (কল্যাণ চেক্ষোঙগী

মণ্ডাশুব অহ্নদ গ্রীক্‌কী গির্জ্জান তুলসী থারগ পূজা তৌই হায় অমসুম প্রশান্ত মহাসাগর মপান্দ হকচাং ফনবগী পার্ক শেম্মদ তুলসী পাম্বী ভাক্ত থাক্লুন তুলসী বন হায়ন খঙনরি। মালব নৈবাক্কী মীশিংম চহি খুদি'গী ওইন মেরা থা খুদিংদ তুলসী বিবাহ হায়ন অ.চৌব প্রবন্ধ অম ঙসি ফাওব চখরি।

(ব্রগ অফ হিন্দুস্থান ভো:১) দ ইরিবন ম'লয় পেনেলশুলাগী মীন শিরগ মাগী আত্মা লান্নবগীদমক মোংকমদ্ধ তুলসী পত্র মরাং কায়ন চায়থোকনৈ। শ্রীগোপালসহস্রনামগী গোপাল স্তোত্রদ "সর্ব্বাঙ্গে হরিচন্দনং" হায়রিব-ইবুঙোদ থোক্লিব চন্দন অহু তুলসী কাষ্ঠগ তুলসী পত্রগণ নিঙথিন তরুগ থোকপ চন্দন অহুবু "হরি চন্দন" হায়ন কৌই। ইবেম্মবু পূজা তৌবদি ব্রহ্মা, মহাদেবনচি'ব লাইশিংনম্মু তত্তন পূজা কৎলি, শ্রীমতি রাধিকান পূজা তৌবগী ৱারী গর্গসংহিতা বৃন্দাবন খণ্ডদ য়াম্ন নিংথিন ইরি গ্রন্থ বাহুল্য কীবদগী মহু হাপচক্রে।

কলিযুক্ত পাপী পাপী তাপী লানবীনব শ্রীমদ্ অদ্বৈত প্রভুন গৌতমীয়-তন্ত্রগী নারদ ঋষিগী শ্লোক

তুলসী দল মাত্রেন জলস্য চলুকেনবা।
বিক্রীনীতে স্বমাত্মানং ভক্তেভ্যো ভক্তবৎসলঃ॥

মুন্ন খম্বরগ শ্রদ্ধাভক্তিগ লোয়নন তুলসী মঞ্জরী অমম্মুং গঙ্গা জলজন একান্তিক ভক্তিদ ভগবানবু গোলোকগী মর্ত্তদ কৌথক্লন

শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভু হায়ন শ্রীধাম নবদ্বীপ্ত অবতার তৌরম্বিব অসি তুলসীগী মগুন্তনদি শ্রীচৈতন্য চরিতামৃত আদি খণ্ড তৃতীয় পরিচ্ছেদ তা শন্দোকপ ব্যাখা য়াওরি। ভগবান্ন পাম্বদি প্রেম ভক্তিতনি মসিগী থোইদোকপ মরম ভুমিকাদ ফংবিগনি।

লাইরিক মচা অসিবু ইমালোন্দ অনুবাদ তৌজম্বিব নরাধমদি ভজন, সাধন, মথং মনাওস্নু খঙজদব, বেদ শাস্ত্রনচিংবস্নু কম্বি থোইন লামব ফংজরুব নংচদে; অতুম্নদি ওইরবদ আদি বৈষ্ণব গ্রন্থকারশিংন ইবিরম্ব শ্রীহরিভক্তিবিলাস, বৈষ্ণব দর্পণ তত্ত্ব রসামৃতজ্ঞান মঞ্জরী, তুলসী মহাত্ম্য, গর্গ সংহিত, স্কন্দ পুরাণ নচিংবদ আদি গ্রন্থকারশিংন কনখৎপি রম্ব সারাংসশিংগী ভাবার্থ ওইন ভাষান্তর তৌজবতনি কম্বি থোইন খঙজরুব নংচদে। অপঙ্ব ঐগী উদ্দেশ্যদি ইমা ইবেম্ম তুলসী দেবীগী গুণ ময়াম অসি ইমালোন্দ থমজনিংবগী আচ্ছানি।

মরু ওইন গ্রন্থ মচা অসি লহরি মঙাথোক্ল খায়দোকচৈ— অহানব লহরি তুলসী মহাত্ম্য অনিশুবদ গীতা অহুমশুবদ তুলসী বিবাহ মরিশুবদ স্থাপন বিধি মঙাশুবন তুলসী কাষ্ঠ মহাত্ম্য। পরিশিষ্টাংশ খরগ বৃন্দা উৎপতিগী মরম অদুগ দ্বাশক্ষর মন্ত্র ভজন বৈষ্ণবশিংন নিতিগী তৌগদব তুলসী পূজাগী মরম খরদংগ।

লাইরিকমচা অসিবু ভাষান্তর মতাংদ ঐগী গুরুদেব শ্রীফুরাইলাৎপম বেদগর্ভ শর্ম্মা মৈন্যো লৈরক লৈবন মতেং পীবিখি। অদুঘ শংশোধনগী মতাংদ শ্রীফুরাইলাৎপম জগদীশ শর্ম্মা শয়াং পুখ্রি মপাল,

ঐগী মরুপ একেঃ ব্রজবাধু সিংহ সাপম লৈরক্ত লৈব ময়াম অসিন অরাব পুবিথিবগী চাওন লমন তোল্লবনি।

অরোইবদ হায়রজগদবদি জগৎগুরু শ্রীভগবান রাবিরিবশিং অসিগী মকমদ কৃপা পীবিব ওইসনু। পাঠক বর্গন পাবিবদ মথং মনাও ওয়ব, বানান লানব পুম্নমক নামনি থনবিদুন মাপ তৌবিগনি নিংজৈ। অশোয় অরান পুম্নমক তাকপিরকনি হায়ন আচ্ছা তৌজরি। ইতি

দীনতম

ভাষান্তর কর্ত্তা

ভুমিকা

"ভক্তি" হায়বসী করিনো, অদুগ মীওয়বসিংদ ভক্তিন কানব করিনো"

"ঈশ্বর ভগবানবু অচেৎপ পুক্নীংগ লোয়নন তুংশিব অদুবু ভক্তি কৌয়ি" অস্থুম্ম "শাণ্ডিল্য সূত্রদা" হায় (১।১।২)॥ তুংশিন, অপাম্বনচিব পুম্ব ভগবান মাগী মফমতদ মওয়ব অদুবুনী। ঈশ্বরগী মফমদা লন্-থুম, মচা-মশু কুণ্ডায় য়াংফবনচিংবগী দমক্ত হায়জরি-বশিং অদুদী ঈশ্বরবুদী তুংশিদব, মান হায়জরিব পোৎ অদুত্তদ মতুঙশিব, মান পাম্লীব পোৎত ভক্তি লৈব কৌয়ি। ভক্ত প্রহ্লাদন মখোয় অদুবু "বনিক" ললোনব হায়ন কৌয়ি। মখোয়ন ভগবানবু লৌশিল্লগ ললোনব মথল অম ওয়ন চৎথরি। পৈশা থরদংগী হৈ-লা লৈ-শু থর লৈরগ মখোয়ন পাম্লিব পোৎ অদু ফংননব হোৎনরি॥ মসি পোৎ-চৈদ ভক্তি লৈব কৌয়ি ঈশ্বরদ ভক্তি লৈব নত্তে॥

নারদ ভক্তি সূত্রদ ভক্তিবু "সাত্বস্মিন পরম প্রেমরূপা" (২) অস্থুম্ম হায়। হায়বদী ভগবান্দ পুক্নীং হোংদনা ঐকান্তিক ওয়না তুংশিব অদুতবু ভক্তি কৌয়ি। অদুগ রামকৃষ্ণ পরমহংসন হায়বন "তুংশিব মথল অমনী মশিদদি জগত পুম্বা কাউথোকখিদুনা মশাগী দেহ ফাওবা কাউখি মসিমক ভক্তিনী।" ভক্তি হায়ব অসি য়াম্না সুক্ষ্ম ওয়ব ঈশাদ অনুভব তৌববুনী মপান্দ শেংনা ফোংদোকপ য়াব পোৎ নত্তে, মওঙ-মতৌ ইঙ্গিৎ অমস্তুং শাজংনা থরদংদী ফোংদোকই॥

[illegible] দা লৈখং [illegible] ভক্তি [illegible] শীকৃষ্ণ [illegible] ভক্তি [illegible] পন্দৌ মথাগী দুংগাদ-য়াইফ ব রাগনা পুন্নক [illegible], ভগবানগী সেবা [illegible] মতম অমা। [illegible] কশাগী [illegible] পুন্নক [illegible] লৈবকথ [illegible] অদু, হাগুম [illegible] ইন্দ্রিয় পুম্নমক [illegible] ভগবান শ্রীকৃষ্ণ [illegible] অদুবু ভক্তি কৌই অসিনী।

[illegible] ভক্তিগী [illegible] থগত্তুনা [illegible] অসি [illegible] — [illegible] ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু ভক্তিনা [illegible] ভক্ত [illegible] পুবা [illegible]। ভগবান অমস্তুং ভক্তগী [illegible] ভগবান [illegible] মর্ত্তদন ভক্ত [illegible]বনী, [illegible] লাপ্পদ্রবা [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী আসন ফাউব হাগং[illegible]। [illegible] অমংবে, ভক্তি [illegible] অসি ভগবান য়াম্ন পানবা মাতু [illegible], মতম পুম্বদ [illegible] মহাক্ত খন্দুনত [illegible] মাওইবন [illegible] বাউ [illegible] তুনা লৈব অসী ভগবানদগী য়াম্ন রাই অদুম ॥

ভাগ [illegible] অসিবু শেংন থম্রদং খণ্ডননবগী দমক মথল মাপন থোক্ল শ্রীজিব গোস্বামিনা মথাগী অসি হায়বীরম্মী মাতুদা :—

১। ভক্তি হায়ব অসিনা নহানমুক্ত মপোক্ত তৌথিব অমস্তুং হন্দক্লিমপোক্ত তৌব পাপ পুম্নমকপু মাওহনব ঙম্মী॥ ২। মশাগ ভক্তি পোত্নব মী অদুদা অমুকহন্ন, ফত্তব পাপকী থবক পুম্নমকপু

---

*ঈশ্বরনা পাম্ববদা ভক্ত অদুদনী মাতুদা "ময়ি ভক্তির্হি ভূতানামমৃতত্বায় কল্পতে। ভাঃ ১০।৮২।৪৪"। অসীনী মাতুদ

ত্রৈগা হায়বা রাখল পুম্বা থাদোকখি ॥ ৩। ভক্তিন অবিদ্যা পুম্বা মাঙহনব ঙম্বগী শক্তি নৈ। জীবশিংন সংসারদ অরাব হম্ব হম্ব ফংলিব অসি অবিদ্যাননী ॥ মতাঙ্ অসিদ, দার্শনিকশিংনা, জ্ঞান নৈতেব মরমদগী অবিদ্যা মাঙহনব ঙমদবনী হায়রি। মসিগী পাউখুমদ শ্রীজিব গোস্বামিনা হায় ॥ ৪। ভক্তিগী মরিশুব লক্ষণদি জ্ঞান বৈরাগ্যদ মরম পুম্ব (হেতু পুম্নমক) ওয়শিনখি। হোৎনরুব অমত্তু য়াওদন জ্ঞান অমসুঙ বৈরাগ্য অহু মথন্নত (উদয়) থোকচরকই অসিনী ॥ ৫। ভক্তিগী মঙাশুব মওঙদি নিগুর্ণ ওইব অসিনী, মহাকতি সত্ত্ব, রজ অমসুঙ তমগুণগী রাংমদনী ॥ ৬। তরুক শুবদ ভক্তিন ওইরিবসি প্রেমসুখগী মশকী। মসিগ য়েংনরুবদ হেম্ন মুংঙায়ব পীব ঙম্বদি মরোল অহুম্মকত কদায়দস্ নৈতে; প্রেমসুখ অহুগী মহাউ অহু ভক্তিন ফংহনবিরগ ভক্তশিংবু অমৃত লোক্ত পুখৎপি অমসুঙ পোকপ-শিব নায়ব মীওইবনা অমৃত ফংবদী ভক্তিতন পীব ঙম্বনী ॥ ৭। তরেৎশুবদ ভগবানগী স্বরূপ শক্তি খঙব ঙম্মল্লী ॥ ৮। নিপানশুবদা ভক্তিন রতি (প্রেম) পীব ঙম্মী ॥ ৯। মাপনশুবদা ভক্তিগী ফল অত্তনা ভগবানগী পুক্নিঙদ ভক্তগী মরীদ মুংশিব-চানবিব পোকহল্লী (ভক্ত-বিষয়ক ভগবৎ প্রিয়তৈক হেতুত্ব)। অসুম্ন ভক্তিদগী রতি প্রেম লাকুন, ভক্তগী প্রেমন চিংশিল্লকুন ভক্ত অমসুঙ্ ভগবান অনীগি মরক্ত অশেংব মরী থম্ব ঙম্মী ॥

মতাঙ অসিদ, ঈশ্বরগ জীবগ অনিসী লোয়নহুন তত্তন শাস্ত্র-মিন্নব য়াবরা? রাফম অসিদ, ঈশ্বরদী শক্তি পুম্নমকী তুংনফম্মী

অদুগ জীবন মতুগী কুপখ্রব মরী ক্লী (সর্ব্বশক্তিমান অ স্নুঙ অদু ।
ঈশ্বরন চৈতন্যময়নী অদুগ জীবন মায়া অমস্নুঙ অজ্ঞান পুল্লবনী,
অদুম সিশিং সিশিংলক থেন্নবা লৈরবস্নু জীবনী ভগবানমকী (প্রকৃতী)
শক্তিনী, করিগুম্বা অতোপ্পা বস্তু অম নত্তে *গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মনা
জীব 'অসিবু তটস্থ'-শক্তি কৌয়ি ; মরমদী জীব অসী সংসার মায়া
শক্তি অমস্নুং ভগবানগী দিব্যশক্তি অনীগী তাইনকম মপান্দ মরক্ত
লৈ অদুনা তটস্থা শক্তি কৌবনী ।।

গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্মদ, ভক্ত অমস্নুঙ ভগবান অনীগী মরকত
অঙকপগী মওংদ চান্নব মুংশিনবগী সম্বন্ধ অম লৈ; মাদু ভক্তি
হায়ব অসিদগী হৌথিবনী অদুনা, মী অদুগী মশাদ ভক্তিগী মহাউ
(ভক্তিরস) ফংব ঙমগ্রবদী মহাক অদো শোকপগী মহৈ য়াল্লে।

সঙ্করাচার্য্যন অদ্বৈতবাদী ওয়জরবস্নু ধ্যান অমস্নুঙ্‌ প্রনিধান-
চিংব অনুষ্ঠান তৌবদ ভক্তিন মরুনী হায়, মাদুদী মাগী শারীরক
ভাষ্যদা (৩ । ২ । ৫) ভক্তিতনা ভগবানবু ফংব ঙম্মী হায়রম্মী ।।
রামানুজ আচর্য্যনস্নু ঈশ্বর ফংননবগী লম্বীদ, ভক্তিগ লোয়নবা
"নিরবচ্ছিন্ন মনোবৃত্তি" লেপ্পা লৈতনা ঈশ্বরবু কাউত্রবতদ মাবু
ফংবঙম্মী অসিমী।

মতাঙ অসিদ গৌড়ীয় বৈষ্ণবসিংন ভক্তি প্রেম ফংননবগীদমক
আচরণ তৌবগী মওঙ ভাকলিব অদুবু প্রণালিকা হায়ন কৌবতনী ।

---

*ভগবান্দী সর্ব্বশক্তিমান ওয়ব মরম্না সাকার অমস্নুঙ নিরাকার অনীমক
ওয়ব ঙম্মী ।।

মাতুগী রাকমদ শ্রীজিব গোস্বামিন "প্রীতিসন্দর্ভগী" ১০ শুব অনুচ্ছেদদ বর্ণণা তৌবিরম্মী মাতুদী :—

বৈকুণ্ঠস্য ভগবতো জ্যোতিরংশ ভুতা বৈকুণ্ঠলোকশোভারূপা যা অনন্তা মূর্ত্তয়ঃ তত্র বর্ত্তন্তে, তাসামেকয়া সহ মুক্তসৈকস্য মূর্ত্তিঃ ভগবতা ক্রিয়ত, ইতি বৈকুণ্ঠস্য মুর্ত্তিরিব মুর্ত্তির্যেষামিত্যুক্তম্

হায়বদী— শ্রীভগবানগী ধামদ, ভগবানগী নাক্ত সেবা চংব য়াব মশিঙ লাকঙমত্রবা মুর্ত্তি কয়া মমাঙৈভদগী হৌনা অসুম লৈরক্লি। হায়রিব মুর্ত্তিশিং অসী ভগবানগী "জ্যোতি" মঙালগী অংশ ঙাক্তনী, মখোয় অত্তু ভগবানগুম্ব অপ্রাকৃত চিন্ময় ঙাকতনী। ভগবানগী বৈকুণ্ঠলোকত, মশীং লাকঙমত্রব অত্তুগুম্ব মুর্ত্তিশিং অত্তুন নীংথিন ঙান্দুন ফজহল্লি। হায়খ্রিব মুর্ত্তিশিং অসিবু পার্ষদদেহ কৌয়ি, মসি নিত্যনী সিদ্ধদেহনী॥ কনাগুম্ব জীব অমন ভক্তিবু আচবণ তৌবদ, ভক্তি অত্তুন মুল্লব্রব মতমদ নোংমতং মহাক্ত সংসার থাদোকপ (মৃত্যু) অত্তুদ উৎক্রান্ত মুক্তি ফংই; মতম অত্তুদ ভগবানগী নিঙবগী মতুঙঈন্না জীব অত্তুন, পামজব মুর্ত্তি অত্তু ফংহনবী মসিবু পার্ষদদেহ ফংব কৌয়ি।

মসিগী মতাঙ্দ ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীমুখমক্ত মনায় অর্জ্জুনগী- মফমদা তাকপিখী মাতুদী :—

যং যং বাপি স্মরণ্ ভাবং ত্যজত্যন্তে কলেবরম্।
তং তমেবৈতি কৌন্তেয় সদা তদ্ভাবভাবিতঃ॥ (গীতা ৮।৬)

মথক্কী রাফম অসিদ থাজব, অপাম্ব. অমসুঙ প্রেমগ লোয়নন ভগবানগী সেবাবু তত্তন ফংনিংলব সাধক ভক্তশিং অত্তুন মথক্ক হায়খ্রিব পাষদদেহ অত্তুবু খঙনীংলব অমসুঙ পান্নবদী সংগুরুগী মফমদগী সিদ্ধ প্রণালী অত্তু ফংব ঙম্মী। মাত্তুদ সাধকশিং অত্তুগী সিদ্ধ দেহ অত্তুগী পরিচয়দী ভাব তরামাথোয়নী মাত্তুদী—

নামরূপ বয়োবেষম সম্বন্ধ যুথ এবচ
সেবা অজ্ঞা পুরাকাষ্ঠা পাল্যদাসী নিবাসক॥
(শ্রীধ্যানচন্দ্র পদ্ধতি)

অসিগুম্ব রাফমশিং অসী সাধকশিংন অশেংব গুরুগী মফমদগী পাউতাক কয়াগ লোয়নন তাকপিবকই। সাধক অত্তুনা গুরুন তাকপিরক্লীব অত্তুবু কল্পনানী হায়ন খন্দব মরমদগী মানা পামজব অত্তু সর্ব্ব অন্তর্যামী ভগবান্ন ফংহনবী। মশীঙ নায়ত্রব জীব খুদীংমক ভগবানগী দাস ওাক্কনী, মখোয় খুদী মক্কী, ভগবানগী লাক্ক সেবা য়াব দেহ অমমম শ্রীধামদ লৈব ঙাক্কনী, অত্তুগুম্ব দেহ অত্তু ভক্তি প্রেমতন মরম ওয়রুন ফংব ঙম্মী॥ মতৌ অম্বুম্ভ ভক্তিন মুল্লব ভক্ত অত্তুগী মগুণ অত্তু থাগৎলত্তুন ভগবান মহাদেবন নারদগী মফমদ হায়খী মাত্তুদী:—

নাম্নদাহমিদং মন্যে তাদৃশানাং যতঃ স্থিতিঃ।
ভবেৎ স এব বৈকুণ্ঠোলোকো নাত্র বিচারণা॥
কৃষ্ণভক্তিসুধাপানাদ্দেহদৈহিকবিস্মৃতেঃ।
তেষাং ভৌতিকদেহেঽপি সচ্চিদানন্দরূপতা॥
বৃহদ্ ভাঃ ১৷৩৷৬০-৬১

অর্থ ঃ—হে নারদ ! অতুগুম্বা ভক্তশিং অহুদী মর্ত্তলোক্ত লৈজরবস্‌ বৈকুণ্ঠদ লৈবিবশিং অহুদগী তোম্বব লৈত্রে হায়ন ঐগী পুক্লাংদ খল্লী, মরমদী অতুগুম্ব ভক্তশিং অতুনা লৈরিব মকম অহুংক বৈকুণ্ঠ লোক্লী ; হায়রিব মরম অসিদ শাস্ত্র প্রমাণ পীতুনা বিচার তৌরুবন করিস্‌ কান্নব ওয়রোই। মখোয় অতুদী শ্রীকৃষ্ণভক্তিগী অমৃত পান তৌখিব মরম্ন সংসার বিষয় ভোগ তৌবনচিংবদ খল্লুব লৈত্রবনীন মখোয়গী ভৌতক দেহ অতুস্‌ সচ্চিদানন্দরূপ ওয়বগী মওঙ্‌দ চিংখ্রে ॥

ভক্তগী দেহন নির্গুণ ওয়বগী মওঙদ ঃ—

"জহুর্গুণময়ং দেহং" (ভাঃ ১০ । ২৯ । ১০) হায়ব শ্লোককি টিকাদ শ্রীবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীনা হায়খি—অয়মত্র বিবেকঃ···· শ্রদ্ধাদয়ো নির্গুণা গুণময়াশ্চেতি প্রদর্শয়তা···ইত্যনেন ভক্ত্যৈব গুণময়াদিবস্তুনাং নাশ এবোক্ত ভগবতা ॥

অর্থ—জ্ঞানী, যোগী, কর্ম্মীনচিংবশি অসদী, অমত্ত নির্গুণ ওয়ব নত্তে, শ্রীভগবানগী মফমদ শরণাগত তৌহুন লৈখ্রব ভক্তশিং অতুতন নির্গুণ ওয়। মসিগী বাফস্‌ ভগবান্ন মনায় উদ্ধবকি মফমদ (ভাঃ ১১ । ২৫ । ২৬) "নির্গুনো মদপাশ্রয়ঃ" অস্তুম্ন শ্লোক্ত তাকপিখি। প্রমাণ অসিদ শ্রীচক্রবর্ত্তীন তাকপিরি মাহুদী ঃ— গুরুগী উপদেশ প্রণালী ফংবদগী ভক্তশিংগী নাকোংদ শ্রবনাঙ্গ ভক্তি, চীন্দ কীর্ত্তনাঙ্গ ভক্তি, পুক্লীঙদ স্মরনাঙ্গ ভক্তি, হকচাঙ পুম্নমক দণ্ডবৎপ্রনতিরূপা ভক্তি, অমস্তঙ খুৎন ভক্তিগ লোয়নন ভগবানগী পূজামচিংব তৌয়ি

হাযতুন, হায়বদী শ্রীগুরু কৃপাদগী ভক্ত অতুগী হকচাং পুম্বন ভক্তি অনুস্থান তৌরি হায়তুন ভক্তগী দেহদী নির্গুণ অতুম ওয়জরকই।। অসুমতৌন ভক্তগী মশাদ ভক্তি প্রেম মপুং ফারক্রব মতমদ মাগী দেহদসু নির্গুণ ওয়।।

ৱাহং অমনা - ভক্তগী দেহবু গুণাতীত ওয় হায়ন খঙলিবশিং অতুন কবি লাভ লৈ? অতুগ মায়িকনী হায়রিবশিং অতুন অমাঙব করি লৈ? নির্গুণ দেহেদ ব্যাধি লায়না পক্লিব করিগীনো?

পাউখুম—গুণাতীতনি হায়ব ভাবনা সংশার নাশ ওযবনী অতুগ গুনময়নী খল্লগন সংশাববৃদ্ধি অমসুঙ নরক্কি লম্বীদ চঙশিনবনী। সংশার বৃদ্ধি ওয়রবদি ভক্তগী মশাদ শ্রীভগবাণগী মায়াদগী ব্যাধিনচিংব অসী সৃষ্টি তৌয়ি, মসি ভগবান্ন পরিক্ষা তৌবনী।। খুদমদী সনাতনগী মশাদ কৃষ্ণকণ্ডু হায়ব লাঙ্গৈনা পকথিব অতুনী; অতুবু সনাতনগী মপুং ফারব ভক্তি অতু উবদ ভগবান গৌরাঙ্গনা আলিঙ্গন তৌবিতুন খুদক্ত কোকহনখি।

ৱাফম অমন শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যগী মতাঙদনী। আচার্য্য ঠাকুরন, কলিগী জীবশিংন অমোৎপ পাপকী থবকত তৌতুন লৈখা তাবকপ অমসুঙ ভক্তিগী মরীক অমত্ত লৈরকতব অসী উবদ জীবশিংগী ফনবগীদমক থমোয় শোক্ল খনবিখী। মতুদী ভগবান মশামক্ল লেঙথরক্লগ জীবশিংদ ভক্তি আচরন তৌব তম্বীব্রবদী উদ্ধার তৌব ঙম্লরোয় হায়ন। করম তৌরগ ইবুঙো মহাকপু মর্ত্তলোক অসিদ অমুকতং পুথরকপ (অবতরণ) ঙমগদগে হায়ন থমোয় শোক্ল অসুম খনবদ "গৌতমীয় তন্ত্র" গী দেবর্ষি নারদন হায়খিব শ্লোক অসী নীঙশিংলকখি, মতুদী:—

তুলসীদলমাত্রেণ জলস্য চুলুকেন বা
বিক্রীনিতে স্বমাত্মানং ভক্তেভ্যো ভক্তবৎসলঃ ॥
(গৌতমীয়তন্ত্রে ১১। ১১০)

মথক্কী শ্লোক অসী নিঙশিংলব্বব মতমদ শ্রীআদ্বৈতন শ্লোক অতুগী মুংগী ওয়ব রাকম অতু অসুম বিচার তৌরকই মাতুদি ঃ— শ্রীকৃষ্ণন খল্লি, তুল্লসীগ জলগ ভক্তিগ লোয়নন কৎলক্লিব মী অসিগী লমন কমদৌন শিংগনি—জল—তুলসীগ মান্নব লন্দী ঐগী মুমদ লৈত্রে ; অতুদী ঐগী ঈশা। অসিমক মুশ্লোন্দ য়োয়োক্লগ লমন শিংলগে অসুম ॥

রাকম-অসিন্দ শেপ্পতুন শ্রীকৃষ্ণগী পাদপদ্মবু অচেৎপ ভক্তিগ লোয়নন-তন্তন খন্দুন গঙ্গাজল তুলসী-মঞ্জরীন-অত্রৎপ লৈতন পুজা কৎচবদগী ভগবাণ (শ্রীগৌরাঙ্গ ওতন অবতার তৌখি। (রাকম অসী চৈতন্য চরিতামৃতগী মঙ্গলাচরণগী ওয় পরিচ্ছেদদগীনি)। মসিমক ভক্তিগী গুন্নী। অতু ওয়রবদি ভক্তি হায়বী অসি ভগবাণগী অপাম্ব পোৎশক্লা ? মান্নী, য়াম্ন পান্নজব পোৎনী মসিন জীবশিংদসু অমৃতরস ফংহল্লী মাতুদী ঃ—

ময়ি ভক্তির্হিভূতানামমৃতত্বায় কল্প্যতে।
দিষ্ট্যা যদাসীন্মৎস্নেহো ভবতীনাং মদাপনঃ ॥
(ভাগ ১০। ১০। ৪৪)

শ্রীকৃষ্ণদ ভক্তি লৈরিব প্রাণীশিং অতুদী অমৃতরস ফংবগুম্বনী। ঐবু (কৃষ্ণ ঐবু) মখোয়গী গুয়ন লৌশিনব গুম্ব, ঐবু মুংশিবগী পুকচেল চেল্লিব মখোয় অতুগ মান্নন লায়বক ফব অতৈ অম লৈত্রে ॥

মত্তৌ অম্বুন্ন ভক্তি অাম্সুঙ ভক্তিব্বু আচরণ তৌরিব ভক্তবু ভগবাণমক্ক লুংশিব অমস্মুঙ থাগৎপগী রাকম কয়া উপনিষদ অমস্মুঙ পুরাণ কয়াদ য়াউরম্মী। মসিদ ঈশান হায়জনিংব অমন—শ্রীবৃন্দাগী মগুন্দী য়াম্ন চাউখ্রে, হায়ত্রুন লোইব লৈতে, ফগুঙমত্রব ফল থুদোংমক ফং-হনব ঙম্বীনি অত্তু ওয়ত্তুনম্নু ভক্তিগ লোয়নন অনুষ্ঠান তৌত্রবদী মহৈ য়ানগনী হায়ন খঙদে। মরম অসিদগী সংশারগী কর্ম্ম পূম্নমক্কৌ মরুমদ লোত্তুন লৈরিবী, মশকস্নু উব ফংত্রবী ভক্তি দেবীগী গুণবু অপঙব ননায়ন খরদঙ শীংথাজবনী। ঐদী অপঙবনী, অংশোয়-অঙাম কয়া শোয়দনা থেংনবিগনি, অত্তুবু হংসশ্রুতা গুম্নব পুকচেল চাউরব পাঠকশিংন, করিগুম্বদ অচুম্ব মরীক অমত্তঙ য়াউরমত্তুন, মত্তুবু লৌখৎ-পিত্রবদী নীঙজব মহৈ য়ানগনী হায়ন খঙ্গে॥

ভক্তগী—

মনায়গী মনায় ওয়াজগে খঙব

শ্রী এ, কে, ব্রজবিধু সিংহ

শ্রীতুলসী মহাত্ম্য

স্কন্দ পূরাণে :—

সর্ব্বৌষধি রসনৈব পুরাহ্যমৃত মন্থনে ।
সর্ব্ব সত্ত্বো পরোকায় বিষ্ণুনা তুলসীকৃতা ॥১॥

স্কন্দ পূরানদ হায়রি :—

মমাংইগী মতম অমদা দেব দানবশিংনা সমুদ্র মৈথি, মতম অদুদা অমৃত, হিদাক কয়াগ লোৎতম জীবশিংগী হিতকীদমক ভগবান শ্রীবিষ্ণুনা অয়াম্বা গুণ তিল্লবী তুলসী দেবীবু পুথোকখি ॥১॥

ন বিপ্র সদৃশং পাত্রং ন দানং সুরভী সমং ।
ন চ গঙ্গা সমং তীর্থং ন পত্রং তুলসী সমং ॥২॥

ব্রহ্মা মশক কত্থব ব্রাহ্মণগা মান্নবা মতীক চাবা পাত্র লৈতে, মণবী দান তৌবগা মান্নবা দান লৈতে, গঙ্গাগা মান্নবা তীর্থ অমা লৈতে মতৌ অসিগুম শ্রীহরিদা কৎনবা তুলসী পত্রগা মান্নবা অতোপ্পা পত্র অমমুক লৈতরে ॥২॥

অভিন্ন পত্রাং হরিতাং হৃদ্যমঞ্জরী সংযুতাং ।
ক্ষীরোদার্ণব সম্ভূতাং তুলসী কামরেক্ষিণিং ॥৩॥

ক্ষীর সমুদ্রদগী পোকপী তুলসী মঞ্জরী অপাংবা শেংলকপা মঙাপা পাম্বৈ ভগবান শ্রীহরিদা কৎচপ্রবা মী অদুদু নরকদা চুদোকপীবদী কোনবই ।

শেগায়দব তুলসী পত্র শ্রীহরিদ কৎকনি। শেগায়ব লৈখোম তৈব অমুনব পত্র করিগুম্বদ শ্রীহরিদ কৎলোইদবনি ॥৩॥

তথাচ নারদীয়ে :—

তাবদ্‌ গর্জ্জন্তি পুষ্পাণি মালত্যাদিনি ভূসুর।
যাবন্ন প্রাপ্যতে পুণ্যা তুলসী কৃষ্ণ বল্লভা ॥৪॥

মালতীনচিংবী লৈশিংন চাওথোকচৈ, অদুবু শ্রীকৃষ্ণনা পাম্লবী তুলসী কংলবদি মখোয়গী চাওথোকচবদু কৈখিগ্রে হায়বদি তুলসী পত্রন হেল্লি হায়বনি ॥৪॥

যথা বিষ্ণুরহস্যে :—

কৃষ্ণা ব্যাপ্যথবা কৃষ্ণা তুলসী কৃষ্ণ বল্লভা।
সিতা ব্যাপ্যথবা কৃষ্ণা দ্বাদশী কৃষ্ণ বল্লভা ॥৫॥

থা'পানথৎলকপ অমদি থাশিরমদাইগী দ্বাদশী তিথি অনি অসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী নুংশিৎনি। অদুগুম্ন তুলসী অঙৌবী অমুবী অনিমক্তু শ্রীকৃষ্ণন য়াম্ন পামজবা পোৎনি ॥৫॥

তাবদ্‌ গর্জ্জন্তি রত্নানি কৌস্তুভাদীন্য হর্নিশং।
যাবন্ন প্রাপ্যতে কৃষ্ণা তুলসী পত্র মঞ্জরী ॥৬॥

শ্রীনারায়ণ থবাক্ত লৈতেং ওইব কৌস্তভ মনি পুন্নম মাগী মাগী কক্তবদ চাওথোকচৈ, অদুগুম্ন তুলসী অমুবী মনা মঞ্জরী কোম্নবন

শ্রীনারায়ণগী অঙ্গদ থোনবদ ফজব অতুন কৌস্তুভনচিংব মনিগী নাপক পূম্বা থাগৈই ॥৬॥

তথৈব আগস্ত্য সংহিতায়াঃ :—

পূর্ব্বমুগ্রতপঃ কৃত্বা বরং বব্রে মনস্বিনী।
তুলসী সর্ব্ব পুষ্পেভ্যঃ পত্রেভ্যো বল্লভাস্ততঃ ॥

মমাংথৈদ তুলসী দেবীন পুক্নিং থনী লোত্ত্দন অকনব তপস্যা তৌজতুন ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী নাকুগী বর ফংজখি অতুদগী তুলসীন লৈশিং অমম্তুং পত্রশিংদগী অথোইব ওইখি। ভগবান শ্রীবিষ্ণুন খ্বাইদগী হেন্ন অপাম্ব ওইখি। মরোল—অঙ্গমক্তা শেম্খলব পোৎ মথল থুদিংমক্কী মমুংদগী তুলসী পত্রন শ্রীনারায়ণগী খ্বাইদগী হেন্ন অপাম্ব পোংশক্কী ॥৭॥

পদ্ম পূরাণীয় বৈশাখ মহাত্ম্যঃ—

সর্ব্বেসাং পত্রজাতীনাং তুলসী কেশব প্রিয়া।
সর্ব্বথা সর্ব্বকালেষু তুলসী বিষ্ণু বল্লভা ॥৮॥

মনা পানবা পূম্নমক্কগী তুলসীবু শ্রীকৃষ্ণগী পামজবীনি। মফম মতম পূম্নমক্ত তুলসী শ্রীবিষ্ণুগী চান্নবীনি ॥৮॥

কার্ত্তিক মহাত্ম্যে উত্তর খণ্ডেঃ—

তুলসী পূজায়াঃ ময়া বক্তুং ন শক্যতে।
অত্যন্ত বল্লভা সা হি শালগ্রাম বিগ্রহে রে ॥৯॥

তুলসী পত্রন পূজা তৌবগী মতিক মগুণ শিংথাব হায়বা ওমন্ত্রে হায়নিঙাই লৈতন পেন্নবগী মশক্কি অসিগুম্লবী পত্রসি শালগ্রামগী সেবা বিধিদ চাংদননিঙাই লৈতন কান্নবীনি ।।৯।।

পাতি ব্রাতেন বৃন্দাসৌ হরিমারাধ্য কর্ম্মনা।
সর্ব্ব জন্মন্যসৌ লোভে কৃষ্ণ সংযোগ মুত্তমং ।।১০।।

নহান্মুক্কী মপোক্ত পাতি ব্রতগী মশক ওইব ধর্ম্ম অমস্তুং কর্ম্মন শ্রীহরিবু নীঙ্জবন মথংগী মপোক্ত শ্রীহরিগী হকচাংদ তিন্নজব বর ফংখিবন মতম পুম্নমক্ত শ্রীহরিগ থানব লৈতন লৈখি। মসিনস্তু মরম অম ওইদুন শালগ্রাম শিলাগ তুলসী পত্রগ থানব য়াদে ।। ১০।।

উত্তর খণ্ডে বৃন্দোপখ্যানে :—

সত্ত্বং প্রীতিকর বাক্য কোপস্তস্যাস্ত তামসী।
ভারদ্বয়ং হরের্জাতং য়দ্বর্দ্বয়ং হ্যভুৎ ।।১১।।

শ্রীহরিগী পেন্নরাহৈ হায়খিবদগী নংগী পত্রন অঙৌব ওই'খ। অতোপ্প অমন পাতিব্রত থুগায় হায়বগী হরিদ শাওরুবদগী তুলসী মনা অমুব ওঈখি। মরম অসিদগী তুলসী অঙৌব অমস্তুং অমুব অনী থোকখি। অনী খোক্লব তুলসী পত্রন শ্রীবিষ্ণুগী অপাম্ব পোৎশক অমা ওইখি। অনিমক্কী ভাব অদু শ্রীহরিনা পুদুনা লৈখি।

শ্যামাপি তুলসী বিষ্ণোঃপ্রিয়া গৌরী বিশেষতঃ ।১২।।

অপিচ :— তুলসী অমুব অসি শ্রীবিষ্ণুগী অপাম্বা পোৎনি অদুবু তুলসী অঙৌবন শ্রীহরিন য়াম্ন হেম্ন পামই। পত্র অনিমক হরি পূজাদ থোইদোক্ল কান্নব অথোইব পোৎলম অমনি ।।১২।।

তথাচ স্কান্দে :—

নির্মাল্য মালতী পুষ্পং মুক্তা পুষ্পং সরোরুহং।

গৃহ্ণাতি তুলসীং শুষ্কামপি পর্য্যুষিতাং হরিঃ ॥১৩॥

খাইদগী অখোয়বী মালতী কৌবী লৈ, মুক্তামপাল অমসুং কমলী থম্বালবু থাদোরগা শ্রীবিষ্ণুন অকংবা তুলসী পত্রবু কৎপদ পুক্কিং পেয় লৌই ॥১৩॥

তথৈব পাদ্মে মাঘ মহাত্ম্যে : –

মণি কাঞ্চন পুষ্পানি তথা মুক্তা ময়ানিচ।

তুলসী পত্র দানস্য কলাং নার্হন্তি ষোড়শীং ॥১৪॥

মনি, সনা, লৈ,(কুসুম) অমসুং মুক্তাগুম্বব পোৎ কয়া শ্রীভগবান্দ কৎপগী ফংব মহৈ অদু তুলসী পত্র কৎপগী শরুক তরাতরগী শরুক অমগ শাদে। পদ্ম পুরাণগী মাঘ মহাত্ম্যদ প্রমাণ অসি হায়থরে ॥১৪॥

অপরাঞ্চ অগস্ত্য সংহিতায়াং :—

নিলোৎপল সহস্রানি ত্রি সন্ধ্যাং যোহর্চয়েদ্ধরিং।

ফলং বর্ষ শতেনাপি তদীয় মেব লভ্যতে ॥১৫॥

কমলাকান থকাল ঈশাংব লিশিং অমসুং সন্ধ্যা অহুমদ চহি চামা চুপন কৎদুনা শ্রীহরিগী পূজা তৌব অদু তুলসী পত্র অমতন শ্রীহরিবু পূজা তৌবন মহৈ হেন্না কংই। মসি অগস্ত্য সংহিতাগী ৱাকলনি ॥১৫॥

বিষ্ণো শিরসি বিনস্ত মেকং তুলসী দলং।
অনন্ত ফলদং বিদ্বান মন্ত্রোচ্চারণ পূর্ব্বকং ॥১৬॥

লাইরিক হৈবা মীন শাস্ত্রগী মন্ত্রন উচ্চারন তৌদুনা ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী কোক্ত তুলসী পত্র অমত্তং কৎপগী মহে লোইব নাইত্রব মহৈ ফংই ॥১৬॥

তথাচ নারদীয়ে :—

বর্জ্জ্যং পর্য্যুষিতং পুষ্পং বর্জ্জ্যং পর্য্যুষিতং ফলং।
ন বর্জ্জং জাহ্নবী তোয়ং ন বর্জ্জ্যং তুলসী দলং ॥১৭॥

শ্রীহরিগী পূজাগী মতমদা লৈমলচনব লৈ হৈমনচনব উহৈ থাদোকদবনি গঙ্গাজল অমসুং তুলসি পত্রাদি থাদোকফদে ॥১৮॥

তথাচ পাদ্মে :—

শ্রীমত্তুলস্যাৰ্চ্চয়তে সকৃদ্ধরিং পত্রৈঃ
সুগন্ধৈ বিমলৈর খণ্ডিতৈঃ।
যত্তস্য পাপং পটসংস্থিতং প্রভু নিরীক্ষ্যৈব
মৃজতে স্বয়ং যমঃ ॥১৮॥

মী মহাক অহুন তক তক্কব মনম সুগন্ধিরব শেগায়দব তুলসী পত্রন অমুক্তং শ্রীহরিবু পূজা তৌজগ্রবদি চিত্রগুপ্তন বইদ ইখিনখিব মাগী পাপকী মপৈ অত্র বন মশামক্ত মাংমত্তদ মী অহুনী বইদ ইরিবহু মুক্কংদুন লংথোকখি। হায়বদি মী মহাক অহু পাপকী মহৈ অমত্ত ফংহন্দে ॥১৮॥

ব্রহ্ম পুরাণে :-

তুলসী দল লক্ষেণ যোহর্চ্চয়েদ্ দ্বারকা প্রিয়ং ।
জন্মাযুত সহস্রানাং পাপস্য কুরুতে ক্ষয়ং ॥১৯॥

মী মহাক অহনা দ্বারকা পতি ভগবানবু তুলসী পত্রন পূজা তৌজরব মী অহুন লোইব নাইত্রব মপোক তৌখিব পাপকী মপৈ অহু মাঙহন্ব ঙমই ।।১৯ ।।

ব্রহ্ম পুরাণে যথা :-

লিঙ্গমভ্যর্চিতং দৃষ্ট্বা প্রতিমাং কেশবস্যচঃ।
তুলসী পত্র নিকরৈ মুচ্যতে ব্রহ্মহত্যাতঃ ॥২০॥

মী মহাক অহনা থাঙ্গৈশেংনা শ্রীবিষ্ণুগী লিঙ্গ শালচক্রন অমদি বিষ্ণুগী প্রতিমাবু তুলসী পত্রন পূজা তৌজরবদি পূজা তৌরিব মী অহনা মশান খঙন তৌখিব ব্রহ্মহত্যাগী মহাপাপগী কোকপ ঙমই মসিদা করিস্নু চিংনবিঙাই লৈতে ।।২০ ।।

নিত্যমভ্যর্চয়েদ্‌যস্ত তুলস্যা হরিমীশ্বরম্ ।
মহাপাপানি নশ্যন্তি কিং পুনশ্চোপপাতকম্ ॥২১॥

মী মহাক অহুন মুমিং থুদিংগী তুলসী পত্রন পরমেশ্বর শ্রীহরিবু পূজা তৌজরবদি মপোক মপোক তৌখিব পাপকী মপৈ পুরক কোকপ ঙমই। মরক তৌব পাপতি করি হায়রনি ।। ২১ ।

গুহ্যানি যদি পাপানি অনাখ্যেয়ানি মানবৈঃ
নাশয়েত্তানি তুলসী ন্যস্তা মাধব মূর্দ্ধনি ॥ ২২ ॥

মী মহাক অহন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মাধব কৌব শ্রীহরিগী কোক তুলসী পত্রন পূজা কৎখ্রবদি তৌরিব পাপ পুমনু লোকই । ২২ ।।

তথাচ আগস্ত্যে :—

ন তস্য নরক ক্লেশো যোঽর্চ্চয়েৎ তুলসী দলৈঃ ।
পাপিষ্ঠো বাপ্য পাপিষ্ঠঃ সত্যং সত্যং ন সংশয় ॥২৩॥

মী মহাক অহন পাপ তৌরবসু নত্রগ তৌত্রবসু তুলসী পত্রন শ্রীহরিবু পূজা তৌজবদি মহাক নরকী অরাব অতুতদি মফংত্রে । মসি ঐন "অচুম্বনি অচুম্বনি" হায়রিবশিনি করিসু চিংনিঙাই লৈত্রব হানি ।।২৩।।

স্কান্দে :—

কৃষ্ণ মূর্দ্ধানি বিন্যস্তা তুলসী পত্র মঞ্জরী ।
সুবর্ণ কোটি [illegible] ॥২৪॥

তুলসী পত্র [illegible] শ্রীকৃষ্ণ [illegible] দান [illegible] দান তৌবদগী [illegible] মহৈ ফংই ।। ২৪ ।

[illegible] আদি [illegible] কায় ক্লেশৈঃ কিং [illegible] ।
যেনার্চ্চিতো হরে [illegible] তুলসী [illegible] ॥২৫॥

মী খুদিংরক মতম অকয়ম তুলসী পত্রন শ্রীহরিবু পূজ তৌজবু মী অহুন তীর্থ চংপদি অরেম্বদ মতম মাংহনুব ওহুনু লোকই। হায়বদি শ্রীহরিদ তুলসী কংপন তীর্থ চংপদগী ফল য়ায় হেন্ন ফংই ।। ২৫ ।।

তথাচ গারুড়ে :—

তুলসী দল মাল্যেন বিষ্ণু পূজা করোতি যঃ।
পত্রে পত্রে অশ্বমেধানাং দশানাং লভতে ফলং ।।২৬।।

তুলসী পত্র প'রেংন শ্রীবিষ্ণু পূজা তৌজরক মী অহুন মরা খুদিংদা অশ্বমেধ যজ্ঞ ভরারক তৌবগী মহে ফংই ।।২৬ ।।

তথাচ কাশী খণ্ডে :—

শালগ্রাম শিলা যেন পূজিতা তুলসী দলৈঃ।
স পারিজাত মালাভিঃ পূজ্যতে সুরসদ্মনি ।।২৭।।

মী মহাক অহুন তুলসি পত্রন শ্রীহরিগী রূপক ওইব শালগ্রাম শিলাদ পূজা কংচরবদি মী অহুন স্বর্গ ফংহুন পারিজাৎ কৌব লৈ পরেংগ লোয়নহুন মী অহু লাইগী য়ুম খুদিংদ লাইরাক অভ্যর্থনা তৌই হায়বদি সম্মান তৌই ।। ২৭ ।।

মঞ্জরীদল সংযুক্তা তুলসী সম্ভবৈ স্থিতৌ।
কুর্বন্তি পূজনং বিষ্ণোস্তে কৃতার্থাঃ কলৌ নরাঃ ।।২৮।।

পৃথিবীদা পোক্লিব মী পুম্নমক তুলসী পত্রগ লোয়নব মঞ্জরীন ভগ -বান শ্রীবিষ্ণুবু পূজা তৌজরব মখোয় অহু কৃতার্থ ওইয়ে পোকপগী

মহৈ য়াল্লে। হায়বদি মশাদ পূণ্যগী শরুক ঙাক্ত ওইরে। পাপকী শরুক য়াওদরে।। ১৮ ।।

তথাচ গারুড়েঃ—

তুলসী পত্র মাদায় যঃ করোতি সমার্চ্চনং।
ন পুন র্যোনি মায়াতি মুক্তি ভাগী ভবেন্নর ।।২৯।।

ভগবান শ্রীবিষ্ণুমক্ক য়াথং অসি পীবিখী। মহুদি মী অহুন তুলসী পত্র পুরক্তুন ঐবু নিংথিন পূজা তৌগ্রবদি মহাক অহু মুক্তি ফংই অমুকহন্ন করিগুম্ব মপোক অমদপোক্তরে।। ২৯ ।।

তথাচ পাদ্মে দেবহূতি কুণ্ডল সংবাদঃ—

তুলসী মঞ্জরী ভির্য্য কুর্য্যাদ্ধরিহরার্চ্চনং।
ন স গর্ভ গৃহং যাতি মুক্তি ভাগী ভবেন্নরঃ ।।৩০।।

তুলসি মঞ্জরীন শ্রীহরি, হর মহাদেববু পূজা তৌজগ্রব মী অহুন অমুক হন্ন মমাগী-গর্ভ মনুংদ চঙব তৌগ্রে। অমুক পোক্রে ।। ৩০।

তথাচ পাদ্মেঃ—

তুলসী কৃষ্ণ গৌরভা তয়াভ্যর্চ্চ জনার্দ্দনং।
নরো যাতি তনুং ত্যক্ত্বা শাশ্বতীং বৈষ্ণবীং গতিং ।।২৩।।

তুলসী পত্র অমুববু ওইরবসু অঙৌববু ওইরবসু মী মহাক অহুন শ্রদ্ধা ভক্তিগ লোয়নন ভগবান জনার্দ্দনগী পূজা তৌজগ্রবদি হকচাংন পুনব থাদোক্তুন লেংত্রব শ্রীবিষ্ণুপদ ফংহুন গতি হায়ব অহু ওই। শ্রীঅঙ্গদ তিনখি ।।৩১।।

অন্যদপিযমদূতোক্তো: —

সুকৃতি দুষ্কৃতি বাপি তুলস্যা যোচর্চয়েদ্ধরিং।
তস্যান্তেহিবয়ং নেশা বিষ্ণুদূতৈ সনীয়তে ।।৩২।।

পুণ্যবু তৌরবস্থু পাপপু তৌরবস্থু মী অহুন তুলসীন শ্রীহরিবু পূজা তৌজপ্রবদি শিরব মতমদ পাপী অহুগী মরীদস্থু যম ঐখোয়গী পাঙ্গল লৈত্রে। শ্রীবিষ্ণু মনাই দূতশিংন বিষ্ণুলোকত অহুম পুখি ।.৩২।।

তথাচ ব্রাহ্মে :—

তুলসী দল গন্ধেন মালতী কুসুমস্যচ।
কপিলা ক্ষীর দানেন সদ্যস্তুষতি কেশব ।।৩৩।।

তুলসী পত্র, মালতী লৈ, মন য়োংমানগী মখোমগী ক্ষীর মথল অহুম অসি কৎলবদি খুদক্কা কেশব কৌব ভগবান্ন অপেনব হায়রবছু ওই ।।৩৩।।

তথাচ দ্বারকা মহাত্ম্যে মার্কণ্ডেয় প্রদ্যুম্ন সংবাদে :—

যঃ পুনস্তুলসী পত্রৈঃ কোমলৈ র্মঞ্জরী যতৈ
পূজয়েৎ সুত্র বন্ধৈস্তু কৃষ্ণ দেবকী নন্দনং ।।৩৪।।

করি অমুক হায়গদি থোৎলব নৌয়ব তুলসী পত্রগ কোমব মঞ্জরী লংন চংখোম লেংলব পরেং অহু মী মহাক অহুন দেবকী নন্দন শ্রীকৃষ্ণগী পূজাদ কৎচন্ত্রব মী অহু মথাগী শ্লোকশিংগী এমান মতুংইন্ন পুণ্যগী মশক ওইরব কর্ম্ম পুম্নক তৌজরবনি ।। ৩৪ ।।

যাগতি যোগ যুক্তানাং যাগতি যজ্ঞ শীলানাং ।
যাগতি দান শীলানাং যাগতি তীর্থ সেবিনাং ॥৩৫॥

যাগতি মাতৃ ভক্তানাং দ্বাদশী বেধ বর্জ্জিনাং ।
ফলংমত মহীপাল লভতে নাত্র সংশয় ॥৩৬॥

হে নিংথৌরেন ! হিংলিবমখে যোগ সাধনা তৌহুন ফংব মহৈ যজ্ঞ তৌহুন দথিন দান তৌবগী মহৈ লৌনম লৈতন থম্মোই শেংন তৌব দান বেধ লৈতব দ্বাদশী ব্রত তৌবগী ফল পুন্নমক অসি লোইন তুলসী পত্রন শ্রীহরিদ কৎচবগী ফলগা চপ মান্নন ফংই মসিদ চিংননিঙাই লৈতে ॥৩৫॥৩৬॥

তথাচ গারুড়ে :—

কার্ত্তিকে তুলসী দান মহাত্ম্যে যথা : —

গবায় যুত দানেন যৎ ফলং লভতে খগ ।
তুলসী পত্র কৈকেন তৎ ফলং কার্ত্তিকে স্মৃতঃ ॥৩৭॥

হে গরুড় ! যন মখোম থোকপী লাখ অম দান তৌবগী মহৈ অদু মের থাদ শ্রীবিষ্ণু ভগবান্দ ভক্তিগ লোয়নন তুলসী পত্র কৎচরবদি মথক্কী মহৈশিং অসি ফংই ॥ ৩৭ ॥

তথাচ স্কান্দে ব্রহ্মা নারদ সংবাদে :—

তুলসী দল লক্ষেণ কার্ত্তিকে যোহর্চ্চয়েদ্ধরিং ।
পত্রে পত্রে মুনি শ্রেষ্ঠ মৌক্তিকং লভতে ফলং ॥৩৮॥

ব্রহ্মান নারদদ হায়খি :—হে নারদ মুনি অথোইব মেরা থা চুপ্পা শ্রীহরিদ ভক্তিগ লোয়নন তুলসী পত্র লখা অমন সেবা পূজা তৌজরব মান কৎথিব পত্র খুদিংগী মুক্তি ফংই ॥ ৩৮ ॥

তুলসীদল পূণ্যানি যে যচ্ছন্তি জনার্দ্দনং ।
কার্ত্তিকং সকলং মাসং পাপং জন্মাযুতং দহেৎ ॥৩৯॥

হেঃ—নারদ! মেরা থা চুপ্না মী পুম্নমক শ্রীজনার্দ্দন শ্রীকৃষ্ণ তুলসী পত্রন পূজা কৎচরবদি মতুগী মহৈ অতুন মরম ওইতুন মপোক অযুত অমদ তৌখিব পাপ অতু থুদক্ক মাংই ॥৩৯॥

ইষ্টিক্রতু শতৈঃ পুণৈর্দত্তারত্নৈনা নেকশঃ ।
তুলসী দলেন তৎ পূণ্যং কার্ত্তিকে কেশবার্চ্চনাৎ ॥৪০॥

যাগ যজ্ঞ চাম—চামরক তৌবগী মহৈ মনি মুক্তা মপৈ মপৈ কৎপগী ফংব ফল অতুক মেরা থা অমদ ভগবান শ্রীকেশবপু তুলসী পত্রন পূজা তৌজখ্রবদি মতুগ চপ মান্নব ফল ফংই ॥ ৪০ ॥

যঃ পুনস্তুলসীং প্রাপ্য কার্ত্তিকং সকলং মুনেঃ
অচর্চ্চয়েদ্দেবদেবেশং স যাতি পরমাং গতিঃ ॥৪১॥

হেঃ নারদ! মী অতুন পুক্লিং হুবব তুলসী পত্রন মেরা থাদ শুমিং খুদিংগী লাইগী লাই ওইব শ্রীকৃষ্ণবু পূজা তৌজরবদি মী অতু অথোইব গতি ফংই ॥ ৪১ ॥

কার্ত্তিক মহাত্ম্যে যথা :—

মঞ্জরীভি সপত্রাভিঃ মালাভিশ্চাপি কেশবঃ ।
তুলস্যাঃ কার্ত্তিকে প্রীতো দদাতি পদমব্যয় ॥৪২॥

পত্রগ লোয়নব তুলসী মঞ্জরি পরেংন মেরা থাদ ভগবান শ্রকৃষ্ণদ কৎচরব মী অতুগী মফমদ শ্রীকৃষ্ণন পেনবিতুন অমাং অতা লৈতব লাইতগী ওইব পদবি অতু ফংহল্লি ॥৪২॥

তথাচ স্কান্দে মাঘে তুলসী দান মহাত্ম্যে যথা :—

স্নাত্বা মহানদী তোয়ে কোমলৈ তুলসী দলৈঃ।
যোঽর্চয়েন্মাধবং মাঘে কুলানাং তারয়েচ্ছতং ।।৪৩।।

গঙ্গা জমুনানাচিংবী তীর্থ খিবিক্ত স্নান তৌজরগ থোং নৌয়ব তুলসী পত্রন রাকচিং থা চুপ্ন মাধব শ্রীকৃষ্ণবু পূজা তৌজয়ব মী অতু মাগী শাগৈ চাম লানবী ।।৪৩।।

সু কোমলৈ দলৈ র্য'স্তু মঞ্জরীভি জনার্দ্দনং ।
অর্চয়েন্মাঘ মাসেতু ক্রতুনাং লভতে ফলং ।।৪৪।।

মী মহাক অতুন নৌন ফজরব তুলসী পত্র অমদি মঞ্জরিন রাকচিং থা চুপ্ন জনার্দ্দন ভগবান পূজা তৌজরব মী অতুন যজ্ঞ মখল খুদিং তৌবগী ফল ফংই ।।৪৪।।

চতুর্মাস্যে তুলসী দান মহাত্ম্যং :—

সং পূজ্য তুলসীং ভক্ত্যা ঘনশ্যামং জনার্দ্দনম্ ।
চতুরো বার্ষিকান খমেধাযুতং কলং লভেৎ ।।৪৫।।

নোংজ্থা থা মরি শ্রীহরেশয়ন একাদশীদগী হরেউথান একাদশী ফাওব থা মরি চুপ্ন ভক্তিগ লোয়নন ঘনশ্যাম জনার্দ্দনবু তুলসী পত্রন পূজা তৌজরব মী অদো ভগবান জনার্দ্দন পেনবিতুম অশ্বমেধ যজ্ঞ অযুত অম তৌবগী ফল ফংহল্লি ।।৪৫।।

পাদ্মে যমব্রাহ্মণ সংবাদে :—

বৈশাখ তুলসী দান মহাত্ম্যং

তুলসী গৌরকৃষ্ণাখ্যা তয়াভ্যর্চ্য মধুদ্বিষং ।
বিশেষেন তু বৈশাখে নরো নারায়ণো ভবেৎ ॥৪৬॥

অতৌব অমুব তুলসী পত্রন শজিবু থা চুপ্পা হুমিং খুদিংগী ওইন শ্রীমধুসূদনগী পূজা কৎচরবদি মী অদু নারায়ণগী মশক ওই। মুর্ত্তি ওই ॥ ৪৬ ॥

মাধবং সকল মাসং তুলস্যা যোহর্চ্চয়েন্নরঃ।
ত্রিসন্ধ্যাং মধুহন্তারং নাস্তি তস্য পুনর্ভবঃ ।।৪৭।

শজিবু থা চুপ্পা সন্ধ্যা অহুমদ মী মহাক অদুন ভগবান মাধবপু তুলসী পত্রন পূজা তৌজরব মী অদু সংসারদা অমুক হন পোকরে ॥৪৭॥

বায়ু পুরাণে তুলসী চয়ন বিধি :—

অস্নাত্বা তুলসী ছিত্বা যঃ পূজাং কুরুতে হরিং।
সোহপরাধী ভবেৎ সত্যং তৎ সর্ব্বং নিষ্ফলং ভবেৎ ॥৪৮॥

ঈরুজরুদন তুলসী পত্র হেক্রগ শ্রীহরি পূজা তৌরবদি মী অদু অপরাধী ওইরে। মাদা [illegible] ।' মসি শাস্ত্রদ হায়ব ঋষিশিংগী রায়বনি।॥৪৮॥

তথাচ ব্রহ্মবৈবর্ত্তে :—

পূর্ণিমায়ামাবস্যাং দ্বাদশ্যাং রবি সংক্রমে।
তৈলাভ্যঙ্গেচ স্নাতোবা মধ্যাহ্নে নিশি সন্ধ্যয়োঃ।
অশৌচেংশুচি কালে বা রাত্রি বাসান্বিতা নরাঃ।
তুলসীং যে বিচিনন্তি তে ছিন্নন্তি হরেঃ শিরঃ ॥৪৯॥

পূর্নিমা, অমাবস্যা, দ্বাদশী, নোংমাইজিং সংক্রান্তিদ হকচাং শেংদোক্তন, হকচাং থাও তৈরগ স্নুমিং য়ুংব মতমদ অনদি অহিংদ সন্ধ্যা অনিদ, ঈরুজদন, য়ুম্মাংন অহিং তুম্বদ শেংলুব ফী শেংতুন তুলসী পত্র হেক্লবদি মখোয় অতুন শ্রীহরিগী মকোক থবংপগ মাম্নয়ে য়াম্নমক তৌহৈন্ত্রবনি ॥৪৯॥

স্কান্দে তুলসী চয়ন মন্ত্র :—

তুলস্যামৃর্ত নামাসি সদা ত্বং কেশব প্রিয়া।
কেশবার্থে চিনোমি ত্বাং বরদা ভব শোভনে॥ ৫০ ॥

তুলসী হেক্লব মন্ত্র : —

হেঃ তুলসী দেবী ! নঙদি শিব নাইন্ত্রবী নমিংন ওইবীনি। মতম পূম্বদ কেশবকী চান্নবীনি, কেশবকী পূজাগীদমক পত্র হেকচরি বর পীনো নিংথিবী ॥ ৫০ ॥

তদঙ্গ সম্ভবৈঃ পত্রৈ পূজয়ামি যথা হরিং।
তথা কুরু পবিত্রাঙ্গী কলৌ মল বিনাশিনী ॥৫১॥

নশাদগী থোকপ পত্রন শ্রীহরিগী হৌনবী পূজা তৌজগে মহুস্থ তৌহনবিদু। নশা অপূম্ব অশেংৰ ওইবী কলিগী পাপ কোক্ৰব মশক ওইবী হে: তুলসী ॥৫১॥

গারুড়ে :—

সুৰোক্ষহেতো ধরণী প্রশস্তে বিষ্ণো সমস্তস্য গুরোঃ প্রিয়েতি। আরাধনার্থং বরমঞ্জরীকং চিনোমি পত্রং তুলসী ক্ষমস্ব ॥৫২॥

হে: পৃথিবীন থাগৎনবী! লান্নবগী মশকস্থ ওইবী নহাক্তী ময়োল অহুমগী গুরু ওইব শ্রীবিষ্ণুগীস্থ চান্নবনি মরম অসিন জগৎ গুরু "শ্রীকৃষ্ণ" শ্রীবিষ্ণু নিংজনবগীদমক ঐন নংগী অথোইব মঞ্জরীগ কোন্নব পত্র হেকচবি। ইবেন্ম নংন ঙরানব পুম্ব ঙাকপিয়ু য়াহৈ অসি হায়জরগ তুলসী পত্র হেকনি। ৫২॥

ইত্যুক্তা তুলসী নত্ব চিত্ব দক্ষিণ প্যানিনা।
পত্রান্যৈ কৈকশো ন্যস্যে সৎপাত্রে মঞ্জরী মপি ॥৫৩॥

মথক্ত হায়খ্রিব অসুম্ম হায়জহুন তুলসীবু খুরুমজরগা য়েৎকী থুংন মঞ্জরী অমমম ওইন হেকনি। অমুক্ত য়াম্ম পায়শিন্দুন হেকপ য়াদে, হৌনদে। থুং ওইনস্থ হেকপ য়াদে মনা খুদিং অমস্থং মঞ্জরী খুদিংদ মত্র অসি শোল্লগ অমমম ওইন হেকনি॥ ৫৩ ॥

তথাচ স্কান্দে :—

মন্ত্রেনা নেন যঃ কুর্য্যাদ গৃহীত্বা তুলসী দলং।
পূজনং বাসুদেবস্য লক্ষ কোটি ফলং লভেৎ ॥৫৪॥

মথক্কী মন্ত্র অসি শোন্দুনা তুলসী পত্র হেক্রগ ভগবান শ্রীবাসু দেবকী পূজা তৌব মহাক্ক শাস্ত্রন হায়রব জপ, যজ্ঞ দান, ব্রতনচিংবগী মহৈদগী অথা কোটিগী ফল ফংই ॥৫৪॥

শালগ্রাম শিলার্চ্চার্থং প্রত্যহং তুলসী ক্ষিতৌ।
তুলসীং বিচিন্বন্তি ধন্যাস্তে কর পল্লবা ॥৫৫॥

ভগবান শ্রীবিষ্ণুগী মূর্ত্তি শালচক্র পূজাগীদমক্ত নুমিৎ খুদিংগী মী অতুন তুলসী হৌরিব লৈবাক্ত লৈরগ তুলসী পত্র হেকচব মখোয অতু অতাওবনি, অংথাইবনি, মখোয়গী মখুৎ পানবগী মহৈ য়াম্লবনি। ॥৫৫॥

সংক্রান্ত্যাদৌ নিষিদ্ধেপি তুলস্যা ন চয় স্মৃতো ইতি ॥৫৬॥

সংক্রান্তিনচি'ব তুলসী পত্র হেবপ য়াদব হায়'দি শাস্ত্রন য়াত্রবসু শ্রীবিষ্ণু নিত্য সেবা তৌব বিষ্ণু ভক্তন বিষ্ণু পূজাগীদমক্তি অংঙাইফদম নিত্তিগী তুলসী পত্র হেকপ য়াই। অশে'ন শুক্লা, কৃষ্ণা, দ্বাদশী অনি অসিদি হেকপা সূকয়া য়াদে।॥৫৬॥

বিষ্ণু ধর্ম্মোত্তরে যথা :—

ন ছিন্দ্যাৎ তুলসী বিপ্রো দ্বাদশ্যাং বৈষ্ণব ক্বচিৎ ॥৫৭॥

বিষ্ণু ধর্ম্মোত্তরদ হায়রি :— বৈষ্ণব, ভক্ত, ব্রাহ্মণ দ্বাদশীদ তুলসী পত্র হেক্তুনা পূজা তৌব য়াদে। অপরাধ লৈ ॥৫৭॥

অথ গরুড় পুরাণীয়ঃ —

তুলসী চয়ন নিষেধ কাল প্রতি প্রসব :—

ভানুবারং বিনা দূর্ব্বাং তুলসীং দ্বাদশীং বিনা।
জীবিতস্য বিনাশায় ন বিচিন্বীত ধর্ম্মবিৎ ॥৫৮॥

নোংমাইজিং নত্তরদ তিংথৌ দ্বাদশী নত্তবদ তুলসী পত্র হেক্কনি।
হেক্কবদি পুন্থি ময়েং তাই মরম অত্নুনা হেক্লোইদবনি ॥৫৮॥

পদ্ম পুরাণে শ্রীকৃষ্ণ সত্যভামা সম্বাদে যথা:—

ভগবান শ্রীকৃষ্ণের বাক্যে নিষিদ্ধ দিবসে যেজন্য তুলস্যাদি চয়ন করিবেনা প্র র্ণ কৃত হইতেছে ।

ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী বচননি য়াদব হায়বদি বেদ শাস্ত্রন থি ব মুমিত্তা তুলসী হেক্লোয়দবনি মতুগী প্রমান মখাদ পিরি ;—

তথাচ পাদ্মে:—

দ্বাদশ্যাং তুলসী পত্রং ধাত্রী পত্রঞ্চ কার্ত্তিকে।
লুনাতি সনরো গচ্ছেন্নিরয়ান্নতিঃ গর্হিতান্ ॥৫৯॥

পদ্ম পুরান্দ শ্রীকৃষ্ণন সত্যভামাদ হায়:— হেঃ চান্নবী দ্বাদশী মুমিত্ত তুলসী পত্র অমদি মেরা থাদ হৈগ্র মনা মী অত্নুনা হেক্লবদি নরক তাই।৫৯।

পাদ্মে:—

দেবার্থে তুলসী চ্ছেদো হোমার্থে সমিধস্তথা।
ইন্দুক্ষয়ে ন দূষ্যন্তে গবার্থে তু তৃণস্যচ ॥৬০॥

ঈশ্বর পূজাগীদমক তণ্ডাইফদন তুলসী পত্র যজ্ঞগীদমক শীং তিংথৌ ঘণগীদমক নাপী থাশি মুমিং ওইতুনসু দোষ লৈতে হেকপ য়াই ॥৬০॥

গারুড়ে তুলসী কাষ্ঠ চন্দন মহাত্ম্যঃ—

যো দদাতি হরৌ নিত্যং তুলসী কাষ্ঠ চন্দনং ।
যুগানি বসতে স্বর্গে হ্যন্যস্তানি নরোত্তমঃ ॥৬১॥

শ্রীনারদ মুনিনা ধুন্ধুমা কোবা নিংথৌদ হায়খি ঃ — হেঃ নিংথৌ মী অত্তুন তুলসী পাম্বী অকংবন চন্দন ওইন তক্লগ শ্রীকৃষ্ণদ কৎচরব মী অত্তু লোইব নাইত্রব যুগ কয়া স্বর্গ থামদ লৈ। ৬১॥

মহাবিষ্ণুং কলৌ ভক্ত্যা দত্বা তুলসীচন্দনং ।
যোহর্চ্চয়েন্মালতী পুষ্পে ন ভূয় স্তনপো ভবেৎ ॥৬২॥

কলিযুগত মী অত্তুন ভক্তিগ লোয়নন তুলসী পত্র চন্দন চাইরগ অমসুং মালতী লৈন মহাবিষ্ণু পূজা তৌজত্রব মী অত্তু মতম অমদ মমাগী তম্পাক্ত হিপ্তুন মমাগী খোম অমুক হন্ন থক্তরে। হা বদি অমুক পোক্তরে ॥৬২॥

তুলসী কাষ্ঠ সম্ভুতং চন্দনং যচ্চতো হরে।
নির্দ্দহেৎ পাতকং সর্ব্বং পূর্ববজন্ম শতৈকৃতং ॥৬২॥

তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন মনম মুমিৎ খুদিংগী শ্রীহরিদ কৎচরব মী অত্তুগী মপোক চামদ তৌরুব পাপ পুন্নমক কোকই।

সর্ব্বেষামপি দেবানাং তুলসী কাষ্ঠ চন্দনং ।
পিতৃনাঞ্চ বিশেষণ সদাভীষ্টং হরে সদা ॥ ৬৩ ॥

তুলসী কাষ্ঠকী চন্দন শ্রীহরিদ কৎচবদ ইবুঙোন পেনবী মখোয় অসিগুম লাইশিং অমসুং পিতৃ লোকশিংনসু থোইদোক্ন পেনবী ॥৬৩॥

মৃত্যু কালে তু সংপ্রাপ্তে তুলসী ভব চন্দনং।
লিপ্যতে যস্য দেহেতু হরি ভূত্বা হরিং ব্রজেৎ ।।৬৪।।

মী অহুন শিরবদাইদ মাগী মশাদ তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন তৈজরব মী অদো হরিগী মশক ওইহনু হরিদ তিল্লি। হায়রবদি তশেংন ব্রহ্মপদ ফংই ।৬৫।।

তাবন্মলয়জং বিষ্ণো ভাতি কৃষ্ণগুরুং নৃপ।
যাবন্ন দৃশ্যতে পুণ্য তুলসী কাষ্ঠ চন্দনং ।।৬৬।।

হেঃ নিংথৌ শ্রীহরিগী অজদ মাচন্দন কৃষ্ণা আগরুন লৈতেংব নিংথিজে অহুম ওইনমক তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন হায়রবদি শিংথিব অহু ওইব য়াদে ।।৬৫।।

তাবৎ কস্তুরিকা মোদঃ কর্পূরস্য সুগন্ধিতা।
যাবন্ন দীয়তে বিষ্ণো তুলসী কাষ্ঠ চন্দনং ।।৬৭।।

মতম পুন্নমক কস্তুরি অমসুং কর্পূর মনম থুংশিব অহুন ওইব য়াদে হরিগী হকচাংদ তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন থোল্লকতদ ফজব ওই ।।৬৭।।

কলৌ যচ্ছন্তি যে বিষ্ণৌ তুলসী কাষ্ঠ চন্দনং।
ধুন্ধুমার নবৈ মর্ত্যাঃ পুনরায়ন্তিতে ভূবি ।।৬৮।।

হেঃ ধুন্ধুমা কোব নিংথৌ। কলিদ মী অমুত্তন শ্রীবিষ্ণুগী হকচাংদ তুলসী কাষ্ঠগ চন্দন কৎপ্রব মীশিংদো শ্রীহরিগী মশক ওইব ফংই। মথোয় সংসারদ অমুক পোক্তরে ।।৬৮।।

যে হি ভাগবতা ভূত্বা কলৌ তুলসী কাষ্ঠ চন্দনং।
নার্পয়ন্তি সদা বিষ্ণো ন'তে ভাগবতা নরাঃ ॥৬৯॥

কলিদ ভক্তি চৎপশিংন শ্রীহরিগী হকচাংদ তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন কৎত্রব মখোয় অহু ভক্ত কৌজবতনি তশেংব ভগবানগী মনাই অশেংব নত্তে ॥৬৯॥

তথাচ প্রহ্লাদ সংহিতায়াং ঃ—

ন তেন সদৃশো লোকে বৈষ্ণবো বিদ্যতে ভুবি।
যঃ প্রজচ্ছতি কৃষ্ণায় তুলসী কাষ্ঠ চন্দনং ॥৭০॥

মী মহাক অহুন শ্রীবিষ্ণুদ তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন কৎচরব মহাককুম বৈষ্ণব ভক্ত পৃথিবীদ লৈত্রে ॥৭০॥

তুলসী কাষ্ঠ সম্ভূতং চন্দনং যস্তু সেবতে।
মৃত্যুকালে বিশেষেণ কৃতপাপোঽপি মুচ্যতে ॥৭১॥

মী অহুন তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন হুমিং খুদিংগী ভগবানদ কৎচরব অহুগ শিরমদাই য়োরবদ তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন মশাদ তৈথ্রবদি মাগী পাপ পূম্নমক কোকই ॥৭১॥

বিষ্ণু ধর্মোত্তরে যথাঃ—

তুলসী চন্দনাক্তাঙ্গঃ কুরুতে কৃষ্ণ পূজনং।
পূজনেন দিনৈকেন লভতে শতবার্ষিকী ॥৭২॥

মী অহুন তুলসী কাষ্ঠগী চন্দন তিলক তৌজরগ হায়বদি হকচাংদ

তৈজরগ শ্রীকৃষ্ণগী পূজা তৌজরব নোংমতং পূজা তৌজবগী ফলন চহি চাম পূজা তৌবগী ফল কংই ॥৭২॥

তুলসী মূল মৃত্তিকা মহাত্ম্য :—

তন্মৃদং মুলতঃ পুণ্ড্রং লালাতে ধারিতং নরৈঃ।
প্রমানকং কৃতং তেন মোক্ষায় গমনং প্রতি ।৭৩।

তুলসী মখোঙগী লৈবাক্ (মৃত্তিকান) মী পূম্নমক্ মা মাগী লাইবক্ সিরি নাইন চন্দোন থিল্লবদি মী মহাক অদু অরান খূবমগী লম্বীদ শোয়দন চৎলি। মসি প্রমাণ তৌখ্রে ॥৭৩॥

তুলসী মৃত্তিকা পুণ্ড্রং যঃ করোতি দিনে দিনে।
তস্যাবলোকনাৎ পাপং যাতি বর্ষকৃতং নৃনাং ॥৭৪॥

তুলসী মখোঙগী মৃত্তিকান সিরি নাইন চন্দোন ভত্তন থীক্লিব মী অদুবু উবদ, অউব মী খূদংমক্ চহি অম তৌরকপ পাপ কোকই ॥৭৪॥

তথাচ আগস্ত্য সংহিতায়াং :—

তুলসী জল পান মহাত্ম্য।

শালগ্রামশিলা তোয়ং তুলসী দল বাসিতং।
যে পিবন্তি পুনস্তেষাং স্তন্যপানং ন বিদ্যতে ॥৭৫॥

তুলসী পত্র য়াওব শালগ্রাম শিলা চাইথবগী ঈশিং থকচরব মী অদু অমুক হন্ন মীওইবগী মপোক্ত পোক্‌ন মমাগী খোম অমুক হন্ন থক্‌করে ॥৭৫॥

শালগ্রাম শিলা তোয়ং তুলসী দল বিমিশ্রিতং ।
যঃ পিবেৎ স হি মুক্তঃস্যাজ্জন্মং সংসার বন্ধনাৎ ।৭৬।।

তুলসী পত্র য়াওব শালগ্রাম চাইথবগী ঈশিং থক্‌লুরব মী অদো সংসারগী বন্ধোনদগী লাম্‌থোকপ ওমই ।।৭৬।।

মতাং অসিদ তুলসী মহাত্ম্যগী অহানব লহরি লোইজরে।



অনিশুবা লহরী

তুলসী গীতা

শাস্ত্রদ দেবতাশিংগী মথল মথা অয়াম্ব গীতা ফংই । গীতাশিং অতুদ লাইশিং অতুগী স্তব অমসুং মহাত্ম্য য়াওরি। ভগবৎ দ্বারিকা মহাত্ম্য কৌব লাইরিক য়াওব তুলসী গীতা অসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণন সত্রাজিৎকী মচানুপী সত্যভামান "পূণ্যক" কৌব ব্রত তৌবগী মতমদ তুলসী গীতা অসি লীবিখিবনি মতু মথাদ পীজরি ।

তুলসী গীতা—

নারায়ণং নমতস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমং ।
দেবীং সরস্বতীং ব্যাসং ততোজয় মুদীরয়েৎ ॥৬৮॥

শ্রীভগবানুবাচ

প্রাগদত্ত্বাঘ্যং ততোহভ্যচ্চ্য গন্ধপুষ্পাক্ষতাদিনা।
স্তুত্যা ভগবতীং তাঞ্চ প্রণমেৎ পার্থ্য দণ্ডবৎ ।১॥

শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র ভগবান্ন সত্যভামাদ হায়খি:— হে: ভামে! অহানবমক্তদ ভগবতী তুলসী দেবীদ অর্ঘ্য কৎতুন লৈ, চন্দন অমসুং চেং মনম মুংশিবনচিংবন পূজা কৎলগ চৈশান তাবগুম্ন লৈবাক্ত তাহুন তুলসী দেবীবু পুক্রমজগনি ॥১॥

শ্রিয়ঃ শ্রিতে শ্রিয়ো বাসে নিত্যংশ্রীধরসৎকৃতে।
ভক্ত্যা দত্তং ময়া দেবী অর্ঘ্যং গৃহ্ণ নমোঽস্তুতে ॥২॥

হেঃ দেবী ! লক্ষ্মীন লৈফম ওইবী হেঃ বৃন্দে ! হেঃ নিত্যে ! শ্রীধর কোব লক্ষ্মী পতিন পূজা তৌগ্রবী ! ভক্তিগ লোয়নন ঐন বৎচরিব অর্ঘ্য অসি লৌবিয়ু। ঐনা নঙবু খুরুমজরি ॥২॥

নির্মিতা ত্বং পুরা দেবৈ রচ্চিতা ত্বং সুরাসুরৈঃ।
তুলসী হর মে পাপং পুজা গৃহ্ণ নমোঽস্তুতে ॥৩॥

হেঃ তুলসী দেবী ! মমাংঙৈদ লাইয়াম্ন নংবু শেমখি অহুগ পূজাস্ন তৌখি। নঙন ঐগী পাপ পূম্ব কোকপিম্ন ঐন কৎচব পূজা লৌবিয়ু হায়ন ঐন নংবু খুরুমজরি ॥৩।

মহাপ্রসাদ জননী আধি ব্যাধি বিনাশিনী।
সর্ব্ব সৌভাগ্যদা দেবী তুলসী ত্বং নমোঽস্তুতে ॥৪॥

হেঃ দেবী ! নহাক য়াম্ন থৌজাল হৈবী ইমানি, লায়না অপূম্ব কোকপীনি, অয়াম্ববু লাইবক ফব পীনবীনি নঙবু খুরুমজরি ॥৪॥

যা দৃষ্টা নিখিলঘ সঙ্ঘা শমনী পৃষ্টা বপুঃ পাবনি।
রোগানামভি বন্দিতা নিরসিনী সিক্তন্তক ত্রাসিনী ॥
প্রত্যাসত্তি বিধায়িনী ভগবতঃ কৃষ্ণস্য সংরোপিতা।
ন্যস্তা তচ্চরণে বিমুক্তি ফলদা তস্মৈ নমঃ সর্ব্বদা ॥৫॥

হেঃ তুলসী দেবী ! নংবু উরগ অউব মী অহুগী পাপ পূম্ব কোকই শোকপদ হকচাং পূম্ব শেংবীনি, খুরুমজবদ অনাব কোকপিবীনি।

নশাদ ঈশিং খিকচবদ তৌজবগী ফল পীবীনি। অতুগ যমগী কিনি-
ঙাই লৈত্রে। তুলস থাজবদ শ্রীকৃষ্ণগী মফমদ ভক্তি পীবীনি,
শ্রীকৃষ্ণগী পাদ পদ্মদ কৎচরগ মুক্তি পীবীনি হেঃ তুলসী দেবী?
ঐন নহাকপু মতম পুম্বদ খুরুমজরি ।৫।।

ভগবত্যা স্তুলস্যাস্তু মহাত্ম্যামৃত সাগরে।
লোভাৎ কুর্দ্দিতুমিচ্ছামি ক্ষুদ্রস্তুং ক্ষমতাং ত্বয়া। ।৬।।

ঐন য়াম্ন তোল্লব মী অম ওইরবস্থু অরান খুবম পামজব মরম্ন ভগবতী
তুলসী কৌবী নংগী নতিক নগুণগী মশক ওইরবী সমদ্রু শান্নফমদ
ইকোক তুমতুন স্নান তৌব পামজে হেঃ তুলসী দেবী ঐগী অরানব
পুম্ন দেবী নহাক্ন কোকপিয়ু ।।৬।।

শ্রাবণা দ্বাদশী যোগে শালগ্রাম শিলার্চ্চনে।
যৎ ফলং সঙ্গমে প্রোক্তং তুলসী পূজনের্ন তৎ।।৭।।

শ্রাবনা কৌবী নক্ষত্রন পানব দ্বাদশীদ শালগ্রাম শিলাদ শ্রীবিষ্ণুগী
পূজা তৌবদ ফংব পুণ্য অতুগ সাগর সঙ্গম তীর্থ স্নান তৌরুবদ
ফংব পুণ্যগী মহৈ ; মখল কয়াগী পুণ্যগী মহৈ পুন্নমক অতুবু তুলসী
পূজা অমুক্ত তৌজবন ফংই।।৭।।

ধাত্রী ফলেন যৎ পুণ্যং জয়ন্তো সমুপোষণে।
যৎ ফলং লভতে মর্ত্ত্য তুলসী পূজনেন তৎ ।।৮।।

হৈগ্রু মহৈন শ্রীহরিগী পূজা তৌব, জয়ন্তিযোগ জন্মাষ্টমীদ
চরা হেনব মহা পুণ্যনি হায়ন শাস্ত্রন হায়, অসি পুন্নমক তুলসী
পুজা অমুক্তং তৌজবন মতুগী ফল পুন্নমক ফংজে ।।৮।।

প্রয়াগ স্নান নিয়তঃ কাশ্যাং প্রাণ বিমোক্ষণে।
যৎ ফলং বিহিতং দেবৈ্য স্তুলসী পূজনেন তৎ ॥৯॥

প্রয়াগ তীর্থ মুমিং খুদিং স্নান তৌব; মুক্তি ক্ষেত্র ওইব কাশীদ থল্লাই থাবদ ফংব মহৈ অদু তুলসী পূজাতন ফংই ॥৯॥

চতুর্ণামপি বর্ণানামাশ্রমনাং বিশেষতঃ।
স্ত্রীনাঞ্চ পুরুষানাঞ্চ পূজিতেষ্টং দদাতি চ ॥১০॥

ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ্য শূদ্র হায়রিব বর্ণ মরি ব্রহ্মচার্য্য, গার্হস্থ্য, বাণপ্রস্থ, সন্যাস আশ্রম মরিগী নিপা মুপী পূমমক পূজা তৌজরদি অপাম অপাম মহৈ অদু পীবিব ভদ্বী তুলসী দেবীনি ॥১০॥

তুলসী রোপিতা সিক্তা দৃষ্টা স্পৃষ্টাচপাবয়েৎ।
অরাধিতা প্রযত্নেন সর্ব্বকাম ফল প্রদা ॥১১॥

তুলসী পাম্বীবু চ্যেকশিন্ন নিংথিন থাজরগ, থুংন শোকচরব ঈশিং চাইব অমদি ঈশিং চাইবদু উবতদ পূমমকপু শেংদোকপি। অদুগ মুমিং খুদিংগী পূজা তৌজরবদি নিঙ্লিব পূমমকপু থুংহনবী ॥১১॥

প্রদক্ষিণং ভ্রমিতা যে নমস্কুর্ব্বন্তি নিত্যশঃ।
ন তেষাং দুরিতং কিঞ্চিদ পরম্বিশম্যতে ॥১২॥

মী মহাক অদুন তুলসী বৃক্ষবু য়েৎওইনন পরিক্রমা তৌজরগ ভক্তিগ লোয়নন খুরুমজরবদি মথোয়গী অরাব পুম্ব কোকপিদুন মশাদ অরাব মচেৎ অমত ফাওব লৈহৌদে ॥১২॥

পূজ্যমানাচ তুলসী যস্য বেশ্মনি তিষ্ঠতি।
তস্য সর্ব্বানি শ্রেয়াংসি বর্দ্ধন্যেহংহ'রহং সদা ॥১৩॥

য়ুমদ তুলসী থারগ জুমিং খুদিংগী তুলসী সেবা পূজা তৌজরব মী অচুগী অমঙ্গল পুম্নমক মাঙখিতুন মরম পুম্নমক্ত মঙ্গল পীনবি ॥১৩॥

পক্ষে পক্ষেতু দ্বাদশ্যাং সংপ্রাপ্তেচ হ'রেদ্দিনে।
ব্রহ্মাদয়োপি কুর্ব্বন্তি তুলসী বন পূজনং ॥১৪।

পক্ষ খুদিংগী শুক্লা কৃষ্ণা দ্বাদশী অমসুং একাদশী থোকপ ন্তিথিদ ব্রহ্মানচিংব লাইশিংনসু তুলসী বন পূজা তৌই ।১৪॥

অনন্যা মনসা নিত্যং তুলসী স্তৌতি যোঃজনঃ।
পিতৃদেব মনুষাণাং প্রিয়েভবতি সর্ববদা ॥১৫॥

মী অচুন পুক্লিং অনি লোঙ্দন তক্তন তুলসীবু পূজা অমসুং খুরুম-জরিব মী অদু ইপা ইপু লাইশিং অমসুং মী পুম্নমক মতম পুম্নমক্ত নুংশিবী ॥১৫॥

রতি বঘ্নাতি নান্যত্র তুলসী কাননং বিনা।
সত্যং ব্রবীমিতে সত্যে কলিকালে মমপ্রিয়ে ॥১৬॥

হেঃ প্রিয়ে সত্যেঃ! ঐন রাশক্লুন হায়রিবসিনি কলিযুগত তুলসী বন নত্তব অতোপ্প মফম অম ঐ পামদে ॥১৬॥

তথাচ :—

হিত্বা তীর্থ সহস্রানি সর্ব্বানপি শিলোচ্চয়ানি।
তুলসী কাননে নিত্যং কলৌ তিষ্ঠামি ভামিনি ॥১৭॥

হেঃ ভাবিনি ! ঐন পূন্যগী মফম লিশিং লিশিং চীংমান মথল মথলগী পূণ্যচেনব মফম থাদোক্লগ কলিগী মতমদ অমত ভায়রব তুলসী বনদ ঐ লেঙ্‌দন লৈ ।।১৭।।

ন ধাত্রী সকলা যত্র নবিষ্ণু স্তুলসীবনং ।
তৎ স্মশান সমং স্থানং সন্তিযত্র ন বৈষ্ণবা ।।১৮।।

মহৈ- পানব হৈগ্র পাম্বী হৌব্রব, বিষ্ণুময়শিলা লৈত্রব তুলসী পাম্বী হৌব্রব বৈষ্ণব লৈত্রব অতুগুম্ব মফম অতু মোংফমগ মান্নে ।।১৮।।

তুলসী গন্ধমাদায় যত্র গচ্ছতি মারুত ।
দিশো দশ চ প্রভাঃ স্যুভূর্তগ্রাম চতুর্দ্দশঃ ।।১৯।

তুলসী মনম্বু মুংশিংন পুতুন চৎপ মফম অতুগী মাইকৈ তবাদ খুল্লক্ত অমদি বননচিংব খেন্নব লৈতব মফম অতুদ মথল তরামবিগী থরাই পানবশিংন থোইদোক্ল ভাল্লি ।।১৯।।

তুলসী বন সম্ভূতা ছায়া মাত্রং ভবেৎ সতী।
অত্র শ্রাদ্ধং প্রদাতব্যং পিতৃণাং তৃপ্তি হেতবে ।।২০।।

তুলসী বনগী মমি ভাব মফম অতু য়াম্ন অশেংব মফম্নি। অতুগুম্ব অশেঙ্‌ব মফমতুদ শ্রাদ্ধনচিংব শোল্লবাদ পিতৃলোকশিংন থোইদোক্ল পেল্লি ।।২০।।

তুলসী পূজিতা নিত্যং সেবিতা রোপিতা শুভা।
স্নাপিতা তুলসী যস্তুতেবসন্তি মবালয়ে ।।২১।।

মী অপূম্বন পূজা তৌরিবী অফব মঙ্গল পীনবি তুলসীবু মী খুদিংন থারগ তত্তন পূজা তৌরব মথক্ত ঈশিং চাইথত্নন নিত্তিগী সেবা তৌরিব মীশিংদো ঐগী বৈকুণ্ঠ লোকত লেঙ্দন লৈ ।।২১।।

সর্ব্ব পাপং হরং সর্ব্ব কামদং তুলসী বনং।
ন পশ্যতি যমং সত্যে তুলসী বন রোপণা ।।২২।।

হেঃ সত্যভামা! তুলসী বন অসি মথল পূম্বগী পাপ কোক্লবগী মশক্তি অপাম্ব পূম্ব ফংহনবীনি, মরম অসিদগী তুলসী বন থারিব মী অত্থ যমগী লৈবাক অমুক উদ্রে ।।২২।

তুলস্যা লঙ্কৃত যে বৈ তুলসী বন পূজকাঃ।
তুলসী স্থাপকা যে চ ত্যেজাস্তে যম কিঙ্করৈঃ ।।২৩।।

তুলসী থাব, তুলসী বন পূজা তৌজব, তুলসী পত্র পরেং শিব মী পুম্নক অদো যমগী মনাইন থাদোক্লমই ।।২৩।।

দর্শনং নর্ম্মদায়স্তু গঙ্গাস্নানং কলৌযুগে।
তুলসীদল সংস্পর্শঃ সমমেতাত্রয়ং স্মৃতম ।।২৪।।

কলিযুক্তদা নর্ম্মদা তার্থ দর্শন তৌব ভাগিরথী গঙ্গা স্নান তৌব অমসুং তুলসী শোকপগী ফলগ চপ মান্নে ।।২৪।।

দারিদ্র দুখঃ রোগার্ত্তি পাপানি স্যুর্বহুন্যপি।
তুলসী হরতি ক্ষিপ্রং রোগানিব হরীতকী ।।২৫।।

মনাহী অমতন অনাব পূম্ব কোকপ ওম্বগুম্ন লায়রব, অরাব, অনাব, লায়নানচিংব মথল কয়াগী পাপশিং অসি তুলসীতন কোকপিব ওমই ।।২৫।।

তুলসী কাননে যস্তুমুহূর্ত্তমপি বিশ্রামেৎ।
জন্ম কোটি কৃত্যাৎ পাপান্মুচ্যতে নাত্র সংশয় ॥২৬॥

মুহূর্ত্ত অমতং মী অত্থুন তুলসী বন মরক্ত পোত্থাজরব মী মহাক অত্থু মপোক কোটিদ তৌথিব পাপ্তগী কোকপ ঙমই হায়বসিদ করিস্থু চিংনকম লৈতে ॥২৬॥

সত্যে তুলসী কারণ্যে স্পৃহয়া চাব তিষ্ঠতি।
অপি গলিত পত্রৈকং কশ্চিদ্ধন্যোঽর্পয়েদিতি ॥২৭॥

হেঃ সত্যভামা! ঐ তুলসী বন পামজত্থুন তত্তন লৈ মরনদি কনাগুম্ব অমন করিগুম্বদ কেল্লকপ পত্র অমতং খুল্লগ ঐঙোন্দ কৎলগনি ॥২৭॥

তুলসী নাম যো ক্রুয়াৎ ত্রিকাল বদনে নরঃ
বিবর্ণ বদনো ভূত্বা তল্লিপিং মার্জ্জয়েদ্ যমঃ ॥২৮॥

মী অত্থুন কাল অহুম্মক্ত তুলসীগী মিং শোল্লবদি অশিব মপু যম্ন মাগী মপাঙ্গল শক্তি লৈতবদগী মমায় ইমক মকশিন্দূন চিত্রগুপ্তন ইত্থুন থল্লিব মাগী লাইরিক অত্থু মুথৎলগ লংথোকখি ॥১৮॥

শুক্ল পক্ষে যদা চ দেবী তৃতীয়া বুধ সংযুতা।
শ্রবণা যাচ সংযুক্তা তুলসী চাতি পুণ্যদা ॥২৯॥

হেঃ দেবী সত্যভামা! থা পানথৎলকপগী হুম্নি পানবদ য়ুমশকৈশ থোকপ শ্রবণা নক্ষত্রন পানব তিথিদ তুলসী পূজা তৌরবদি থোই-দোকপ পূণ্যগী মশক্তি ॥২৯॥

মতাং অসিদ তুলসী গীতা কৌব অনিগুব লহরি লোইরে ॥

অহমশুবা লহরি

অথ হয়গ্রীব পঞ্চরাত্র প্রমাণোক্ত

তুলসী বিবাহ বিধি

তুলসী লুহোংবগী মওং অসি য়াম্না অথুপ্পা মরম অমনি মফম অসিদদি মসি কনানসু ফোঙ্‌দোক্লদ্রি। মালব লৈবাক্তদি মীশিংন মসি চহি খুদিংগী ওইন মেন্না থাদ ভগবৎকী পর্ব্বদিনদ য়াম্না চাওন উৎসব মেলা তৌনৈ। করি নিয়ম মতুংইন্না তুলসী বিবাহগী থৌরম পাঙ্‌থোকদগে হায়বদু সাধারণ মীশিংন কনা অমত্তন খঙ্‌নদ্রি। মরম অদুন হয়গ্রীব পঞ্চরাত্রদ হায়রিব তুলসী লুহোংবগী নিয়মশিং মথাদ পীজরি ॥

শ্রীবশিষ্ঠ উবাচ:—

বিবাহ সংপ্রবক্ষ্যামি তুলস্যাস্ত যথা বিধি।
যথোক্তং পঞ্চরাত্রে বৈ ব্রহ্মনা ভাষিতং পুরা ॥১॥

শ্রীবশিষ্ঠ মুনিন অতোপ অতোপ্পা ঋষিশিংদ হায়খি—হে ঋষি পুম্নমক! ঐহাক্ তুলসী বিবাহগী বিধি অমসুং মতম বর্ণন তৌগে—মমাংদা প্রজাপতি ব্রহ্মান হায়খিব হয়গ্রীব পঞ্চাবাত্র কৌব লাইরিক্ত হায়খিব অদুমক্কি ঐন হায়রিবসি ॥১॥

আদাবেব বনে বাপ্য তুলসী স্বগৃহেঽপিবা ।
বর্ষত্রয়েন পূর্ণেন ততো যজমান মারভেৎ ।।৩।।

অহানবদ বনদ ওইরবসু য়ুমদ ওইরবসু তুলসী মরু হুল্লগ হৌরকপ পাস্বী অহু অমুক হন্ন মফম চান থারুগ সেবা চহি অহুম শুখ্রব মতুংদ হৌনবী বিধি বিধান কায়দম পূজা তৌব হৌগনি ।।২।।

অথ তুলসী বিবাহিক উক্ত মাস পক্ষ
বার তিথি নক্ষত্রাদি ।

সৌম্যায়ণে প্রকর্ত্তব্যং গুরু শুক্রোদয়ে তথা ।
অথবা কার্ত্তিকে মাসি ভীষ্ম পঞ্চক দিনেষুচ ।
বৈবাহিকেষু ঋক্ষেষু পূর্ণিমায়াং বিশেষত ।।৩।

উত্তরায়ণ মতমদ শগোলশেল অমসুং ইরাইন উদয় ওইরকপ কালদ তুলসী লুহোংগনি । হায়বদি মাঘ শুক্লা অষ্টমীদগী দ্বাদশী ফাওব ভীষ্মাষ্টমী হায়রিব হুমিৎ মঙানি অসিদ । নত্রগ কার্ত্তিক শুক্লা একাদশীদগী কার্ত্তিকী পূর্ণিমা ফাওবা ভীষ্ম পঞ্চক* হায়রিব হুমিৎ মঙানি অসি তুলসী বিবাহগী অফব মতম্নি । পাঞ্জিকান পীরিব লুহোংবগী অফব তিথি নক্ষত্র বার অফবদ তুলসী লুহোংগনি। মরু ওইনদি পূর্ণিমা হুমিৎন খ্বাইদগী হেন্ন ফৈ ।।৩।।

---

*ভীষ্ম পঞ্চক হায়বসি বক পঞ্চক হায়নসু খংনৈ। হুমিৎ মঙানি অসিগী মনুংদ নোংম উন্নোক্ত ঙা চাদে হায়ন শাস্ত্রন হায়রিব হুমিৎনি।

মাণ্ডবং কারয়েত্তত্র কুণ্ডবেদীং যথা পুনঃ।
শান্তিকঞ্চ প্রকর্ত্তব্যং মাতৃনাং স্থাপনং তথা ॥৪॥

মাণ্ডব ফজন খল্লগ মন্থ'দ যজ্ঞবেদী কুণ্ড শোমগানি মন্নন অদুদ শাস্ত্রন হায়ব বিবাহগী বিধিন শান্তিগী থবক তৌরগ লুহোংব হুমিত্ত লাইরিক হায়ব চৎনবী কন্যা পূজা অভিষেক মাতৃস্থাপন তৌগনি। কবোক অফাব, ক্যামলৈ মশা মূং ঈশিংনা থরুব চফু থমগনি।

ভাবার্থঃ—মীওইবগী চৎনবী মচা মপী লুহোংবগী শাস্ত্রন তাকপ কর্ম্ম, নিয়ম পূর্ব্বমক কায়দন তৌগনি। বর-কন্যা অনিগী যজমান অনিন চৎলগ বিবাহগী মন্ত্রীদ তান্নব অদুগুম তাত্ত্বন তৌগনি ॥৪॥

মাতৃশ্রাদ্ধাদিকং সর্ব্বং বিবাহবৎ সমাচরেৎ।
ব্রাহ্মণাংশ্চ শুচিস্নাতান বেদ-বেদাঙ্গ পারগান্ ॥
ব্রাহ্মণোদ্দেশিকৈশ্চৈব চত্বারশ্চ অন্যাদ্বিজাঃ।
বৈষ্ণবেন বিধানেন ব্রহ্মণা কলসং যজেৎ ॥৫॥

লুহোংবগী মতৌগুম ষোড়শমাতৃকা পূজা বৃদ্ধি শ্রাদ্ধনচিংব মওং পূর্ব্বমক ফজন তৌগনি। ফীশেং-শেৎপ নিংথিন স্নান তৌরব বেদ শাস্ত্র হৈরব লৈবাক্কী যজ্ঞ হৈব ব্রাহ্মণ মরিবু বরন তৌগনি অমসুং বিষ্ণু সুক্ত মন্ত্রন বৈষ্ণব বিধানদ মাণ্ডপত লৈব ঈশিং চফু অদুবু "বর্দ্ধনী" মন্ত্রন পূজা তৌগনি ॥৫॥

মাণ্ডপং কারয়েত্তত্র লক্ষ্মীনারায়ণং শুভং।
গৃহ যজ্ঞং পুরঃ কৃত্বা মাতৃনাং যজনং তথা ॥৬॥

মাণ্ডপ ফজন খল্লগ শ্রীলক্ষ্মীনারায়ণ লেঙ্‌শিনগনি, অহানবদ পূজা তৌগনি গৃহ্যসূত্রন হায়ব বিধি মতুংইন্ন যজ্ঞ পাঙ্‌থোক্লগ মাতৃশিংগী পূজা তৌগনি ॥

অর্থাৎ ঃ—হায়বদি বর কর্ত্তা কন্যা কর্ত্তা অসি গৃহস্ত কর্ম্ম চংলিব নিপা অনিন ওইগনি। অদুগ ভগবাণ অমসুং ভগবতী পিতৃগী মাইকৈদ লৈরগ মাইকৈ অনিগী মাংগোল অদু শন্থিন নিংথিন তৈথোকনি অদুগ খোংনাংবট মশা অম য়ুংগনি। মখোং অদুদ ঘট স্থাপন তৌগনি। গণেশনচিংব পঞ্চদেবতা পূজা অমসুং অয়াম্ব দেব-দেবী পূজা তৌরগ হৌনবী মতুংইন্ন অধিবাস হৌগনি। মথংদ স্বস্তিবাচন তৌগনি। তিথি, বার, নক্ষত্রনচিংব হায়দুন সংকল্প তৌরগ ষোড়শ মাতৃকা, ষষ্ঠী মার্কণ্ডেয় অশ্বত্থামানচিংব চিরঞ্জিবী তরেৎপু পূজা তৌরগ য়ুমগী ফক্লাংদ বসোধারা ঘীন মাপললক নত্রগ মণ্ডাবক তরেৎলক ওইরবসু হৈথদুন আয়ুষ্য মন্ত্র জপ তৌগনি। মতুংদ নান্দিমুখ শ্রাদ্ধ শোনগনি মথংদ মুংদাং মতম চান মাণ্ডপ মঙ্গুংদ বর অমসুং কন্যাগী কর্ত্তান মায় অরাং ওন্ন কুশ আসন্দ ফমগনি ।।৬।।

সৌবর্ণ বিগ্রহং কৃত্বা মণ্ডপে স্থাপয়েদ্ধরিঃ।
কৃত্বা রৌপ্যঞ্চ তুলসী লগ্নেচাস্ত মিতে রবৌ ॥৭॥

সনান শাব শ্রীবিষ্ণু মূর্ত্তি লুপান শাব তুলসী মূর্ত্তি অনি অদু মাণ্ডপ

ময়াইদ থমগনি । মুমিৎ তারক্লবদ বিবাহগী অফব লগ্নদ হৌনবী মতুং ইন্না যজমান ওইরিব কন্যাগী কর্ত্তান তুলসীবু জামাতা ওইরিব শ্রীবিষ্ণুদ সম্প্রদান হায়বদি কন্যাদান তৌগনি। হায়বদি শ্রীবিষ্ণুদ পদ্য অর্ঘ্য আচমন অমসুং মধুপর্কন অমুক্না কড়দ হায়খিব মওংদ ফী লৈতেংন পূজা কৎকনি ॥৭॥

বাসঃ শতেন মন্ত্রেন বস্ত্র যুগ্মেন বেষ্টয়েৎ ।
যদা বধ্নেতি মন্ত্রেন কঙ্কনঃ পানি পল্লবে ।
কোবাদিতিচ মন্ত্রেন করগ্রহো বিধীয়তে ॥৮॥

"বাসঃশত" মন্ত্রন মুক্তি অনিবু ফি অনিন য়েৎশিনগনি। "যদাবধ্নেতি" মন্ত্রন লৈতেং খুদোপ খুজিনচিংব থুত্ত কৎকনি। "কৌবা" মন্ত্রন শ্রীবিষ্ণুনরু খুৎ পায়বগী কর্ম্ম হৌনবী তৌগনি ॥৮॥

ততঃ কুণ্ডং সমাসাদ্য আচার্য্যঃ সহিতে দ্বিজৈঃ
আচার্য্যঃ বেদিকা কুণ্ডেজুহুয়াচ্চ নবাহুতিঃ ॥৯॥

মথংদ আচার্য্য অমসুং যজ্ঞ তৌরিব ব্রাহ্মণশিংগ লোয়নন বেদী শারিব কুণ্ড মনাক্ত চংশিন্দুন বেদী কুণ্ডদ মৈ হৌগৎলগ মথক্ত হায়রিব বেদ মন্ত্রন নবাহুতি পীগনি । ৯॥

বিবাহ কর্ম্মবৎ সর্ব্বং বৈষ্ণবং দেশিকোত্তমৈঃ ।
কর্ত্তব্য ততো হোমে বিশেষা বিধি পূর্ব্বকম্ ॥১০॥

মীগী লুহোংবগুম্না তুলসীগ লোয়নন শ্রীভগবানগী বৈষ্ণব বিধান মতুং

ইন্ন বিবাহ কর্ম্ম পাঙ্‌থোক্কনি। থোইদোকপদি পুরোহিত বৃত ব্রাহ্মণশিংন চুম্ন বিধান কায়দন হোম তৌগনি ভগবাণ শ্রীগোবিন্দদ চতুর্থী বিভক্তি হাপ্লগ "শ্রীভগবতে গোবিন্দায় স্বাহা" হোম তৌগনি শ্রীগোবিন্দায় নমঃ ন খুরুমজগনি ॥১০॥

নমো ভগবতে কেশবায়, নারায়ণায়, মাধবায়, গোবিন্দায় বিষ্ণবে, মধুসূদনায়, ত্রিবিক্রমায়, বামনায় শ্রীধরায় হৃষিকেশায়, পদ্মনাভায়, দামোদরায়, উপেন্দ্রায়, অধোক্ষজায়, অনিরুদ্ধায়, অচ্যুতায়, অনন্তায়, মুকুন্দ য় পুনঃ অধোক্ষজায় নমো নমঃ ইতি।

যজমানঃ সপত্নীকো যেহন্যে তদেগাত্র বান্ধবাঃ।
প্রদক্ষিণাশ্চ কর্ত্তব্যা চত্বারো বিষ্ণুণা সহ ॥১১॥

মথংদ যজমান্ন মাগী মুপীগ লোয়নন তুলসী দেবী, শ্রীনারায়ণ, শ্রীবিষ্ণু অমসুং লক্ষ্মীবু মরিরক হন্ন য়েৎওইনন কোয়রগ খুরুমজগনি ॥১১॥

তুলস্যাঃ পানিগ্রহণে বেদিকায়াং বিভাবসৌ।
শতকুম্ভং জপেৎ সুক্তং পাবমানীং বিশেষতঃ ॥১২॥

তুলসী হোংবদ বেদীকাদ "শতকুম্ভ সৌর্য্যসুক্ত" থোইদোক্ল যজ্ঞ তৌরিব ব্রাহ্মণশিংন "পাবমাণী পৌরুষ সুক্ত" জপ তৌগনি ॥১২॥

তথৈব শান্তিকাধ্যায়াং নবসুক্তং তথৈবচঃ।
জীব সূক্ত পূর্ণজপ্তা পঠেদ্‌ বৈষ্ণব সংহিতাং ॥১৩॥

অসিগুম্ন শান্তি অধ্যায়গী মশক ওইব "নবসূক্ত" "দেবীসূক্ত" অমুক হুম্ন শ্রীবিষ্ণুগী মহিমা হায়বগ লোয়নন বৈষ্ণব সংহিতা পাঠ তৌগনি ॥১৩॥

শঙ্খ ঝল্লরি নির্ঘোষৈ ভৈরীতু যস্য নিঃস্বরৈঃ।
গায়ন্তি মঙ্গলাৎ নার্য্যো মঙ্গলং বিধি মাচরেৎ॥১৪॥

মথংদ মোইবুং ঝাল পুংনচিংব, ভৈরীগী নখোলন নিলহনগনি। জগোই ঈশৈনচিংবম্নু তৌগনি মঙ্গল গীত শকনি, নুপীশিংন "হুলু হুলু" লাওগনি অত্তুগুম্ন লুহোংবগী থবক পুম্নমক পাঙ্থোকনি॥১৪॥

দদাৎ পূর্ণাহুতিং পশ্চাদ ভিষেক বিধি ভত।
ব্রাহ্মণে বৃষভং দদ্যাদাচার্য্য পরিধাপ্যচ॥১৫।

পূর্ণাহুতি পীরগ মথংদ মখল মখা অয়াম্ব বিধান লোইরব মতুংদ যজমান ওইরিব অহুন যজ্ঞ তৌরিব আচার্য্যদ যণ লাবন দক্ষিণা তৌগনি। ফী হোংদোক্লগ আচার্য্যন চন্দোন থীনবিব শান্তি তৌব লোইরগ মৈগী দক্ষিণা তৌব লোয়রবদ বিসর্জ্জন তৌরগ শান্তি কুম্ভদ লৈব ঈশিংন যজমানবু অভিষেক হায়বদি ঈশিংন মশাদ থিক-তোকনি ॥১৫॥

গাং পটঞ্চ তথা শয্যা মাচার্য্যায়ে প্রদাপয়েৎ।
ঋত্বিগভ্যো দাপয়েদ্বস্ত্রা ন্যেবাং দদ্যাচ্চ দক্ষিণাং॥১২॥

যজমান্ন আচার্য্যদ ষণবী ফমুং দান তৌগনি। তৌখ্রিব অফব থবক অহুগী শিত্র লৈতনব মঙ্গল আশীষ তৌগনি। ব্রাহ্মণশিংন আশীর্ব্বাদ মন্ত্রন উচ্চারণ তৌহুন আশীবর্বাদ তৌহনগনি॥১৬।

মতাং অসিদ তুলসী বিবাহ বিধি তাকপ অহুমগুব লহরি লোইজরে॥

খরিমগুবা লহরি

মৎস্য সূক্তে তুলসী স্থাপন বিধি

শ্রীশিব উবাচ :—

সর্ব্বভ্যঃপত্র পুষ্পেভ্যো বরিষ্ঠা তুলসী প্রিয়ে।
সর্ব্বকাম প্রদা শুদ্ধা বৈষ্ণবী বিষ্ণু বল্লভা ॥১॥

শ্রীমহাদেবন ভগবতীদ হায় :— হেঃ প্রিয়ে মরোল অহুম অসিদ লৈরিব দখল থুদিংগী পত্র অমসুং পুষ্পগ য়েংনবদ তুলসীনা খ্বাইদগী অথোই-বনি, অনীঙ্‌ব পুম্ব পীমবি শ্রীবিষ্ণুগী চানবী অথোইবদ, বৈষ্ণবীগী শক্তিনি ॥১॥

ভক্তি মুক্তি প্রদা দেবী সর্ব্বলোক হিতেরতা।
যত্রাশ্রিত্য গতাঃ স্বর্গমক্ষয়ং পরমেশ্বরী ॥২॥

হেঃ দেবী ! হেঃ পরমেশ্বরী ! মী থুদিংগী কনবগী ভক্তি অমসুং মুক্তি পীনবী তুলসী দেবীদ চৎজরবদি মী থুদিংমক অমাং-অত লৈত্রব স্বর্গ ফংই ॥২॥

হিতার্থং সর্ব্বলোকনাং পৃথিব্যাংরোপিতা পুরা।
যথা বিষ্ণুপ্রিয়া লক্ষ্মী যথা ত্বং হর বল্লভা।
তথেয়ং তুলসী দেবী চতুর্থী নোপপদ্যতে ॥৩॥

মমাংৱৈদ জীব পূন্নমক্কী ফনবগীদমক পৃথিবীদ ভগবাণ মহাবিষ্ণুন তুলসী থাখি। শ্রীনারায়ণগী চান্নররী লক্ষ্মীগুম শিব ঐগী চান্নরবী নংগুম শ্রীহরিগী চান্নবী অপান্বী ওইখি। মরোল অহুম অসিদ মাগুম চান্নবী মরিগুব পোৎ অমত লৈত্রে ॥৩॥

যথা গঙ্গা পবিত্রাহি সর্ব্বলোকে বিমোক্ষদা।
তথেয়ং সর্ব্ব পাপানাং তুলসী পাপ হারিনী ॥৪॥

গঙ্গান মী পূন্নমকপু পাপ পূন্নমক্তগী অরান খুবম পীবিহুন অশেঙ্ব ওইরি। অসিগুম্ন তুলসীন জীব খিবিক্কী পাপ পূম্ব কোকপিরি ॥৪॥

সমঞ্জরী দলৈ র্যেন তুলস্যা বিষ্ণুরর্চ্চিতঃ।
তস্য পুণ্য ফলং দেবী কথিতং নৈব শক্যতে ॥৫॥

হেঃ দেবী! মঞ্জুরীগ লোয়নব তুলসী পত্রন ভগবাণ শ্রীবিষ্ণুগী পূজা তৌজগ্রব মহাক্কী পুন্য ফল অহু ঐন হায়ব ঙমত্রে ॥৫॥

ত্রিষু লোকেষু বিখ্যাতা সর্ববপাপ প্রণাশিনী।
সর্ববকাম প্রদা দেবী সর্ববমঙ্গল দায়িনী ॥৬॥

হেঃ দেবী! মরোল অহুম অসিগী মনুংদ পাপ পুম্ব কোকহনবী অপাম্ব পূম্ব পীনবি মী পূন্নমকপু মঙ্গল পীনবি হায়ন জগৎত কাওরিবীনি ॥৬॥

সংসার সাগর ঘোরে তুলসীনৌ স্বরূপিনী।
দেবানাং শিবদুর্গায়াঃ পরং তুষ্টি প্রদায়িনী ॥৭॥

অকীবগী মশক ওইরব সংসারগী সমক্র লানবদ হিগী মশক ওইরিবী তুলসী দেবীবু পূজা তৌজরবদি, শিব, দূর্গা, অমসুং লাই পুম্নমক পেনবী ॥৭॥

কম্বুষো ধাতুরূপাঞ্চ সেয়মেকো মহৌষধি।
তত্রৈবো দারহন্তী মম্মিতিহাসং পুরাতনং ॥
মরীচিরাম সম্বাদং তৎশৃনুস্ব বরাননে ॥৮॥

কলিগী পাপ রারব জঁবঁশিংগী তুলসী দেবীতন হিদাক ওইরিবনি। হেঃ মায়থোং নিংথিবী! অসিগী কুইরব থোথোক অমগী রারি অম নঙোন্দ লীগে! মমাংঙৈদ মহর্ষি মরীচিন রঘু শাগৈগী অথোইব শ্রীরামচন্দ্রদ হাযখি অহু নংন পুক্কিং চঙ্‌ন তাযৌ ॥৮॥

পুরা রঘুকুলধপো বেদ বেদাঙ্গ পারগম্।
পূজয়িত্বা যথান্যায়ং মুনশ্চক্রে মহামতিঃ ॥৯॥

মমাংঙৈদ পুকচেল চাওরব রঘু শাগৈগী অথোইব অযোধ্যাগী মবুঙো শ্রীরামচন্দ্রন বেদবেদাঙ্গ হৈরব মরীচি কৌব ঋষিদ শাস্ত্রন হায়ব মতুংইন্ন হুমিৎ খুদিংগী ওইন মাগী পূজা তৌজগে হায়ন লেপ্লদুন পূজা তৌব হৌখি ॥৯॥

এবং প্রতিদিনং যত্র যথাকালং সমাচরেৎ।
অচিরেনৈব কালেন তুষ্টোহভূমুনি সত্তমঃ ॥১০॥

শ্রীরামচন্দ্রন মতম অহুদ অসিগুম্ন সুমিৎ খুদিংগী ওইন মরীচি ঋষিবু পূজা তৌব হৌখি। মতম থরগী মতুঙ্দ মরীচি মুনিন থোইন পেনখি ।।১০।।

স দদৌচ স্রজং দিব্যাং শ্রীরামায় পরাৎ পরম।
তুলসীবন জাতাঞ্চ মঞ্জরী পুষ্প ধারিনীং ।।১১।।

মহামুনি মরীচিন পেন্নরুন বনদগী পোকখ্রবী তুলসী মঞ্জরী মপাল অমস্থং মনা য়াওবন লেংলব পরেং অম শ্রীরামচন্দ্রদ কৎখি ।।১১।।

চতুর্বেদময়ীং দিব্যাং দদৌ রামস্য মূর্দ্ধানি।
তামাদায় ততস্তূর্ণং মঞ্জরী পত্র শালিনী।
দৃষ্টাচুক্রোধ ভগবানুবাচ মুনিপুঙ্গব ।।১২।।

বেদ মরিগী মশক ওইবী তুলসী মঞ্জরী মনাগ কোন্নব পরেং অমা লৌখৎলগ মরীচি মুনিন শ্রীরামচন্দ্রগী কোকথক্ত থোনখি। অদু উবদ ভগবাণ শ্রীরামচন্দ্রন অশাওবগ লোযনন মরীচি ঋষিগী মফমদ হায়খি ।।১২।।

অহো কিম বলেপোহযং ব্রাহ্মণস্য মহাত্মনঃ।
বনস্পতেঃ পত্রজাতং কথং দত্তং মমোপরি ।

ওস্থোকপনি! কয়াদ ঙকত্রব! পুকচেল চাওব ব্রাহ্মণগী করি মতৌনো? বনদ হৌব উনাগী পুরেংবু ঐগী কোকথক্ত হাপ্লিরিবসে ।।১৩।।

আশির্বাদ দ্বিজাতীনাং প্রাপ্স্যতি মহামিতি।
তস্মোহহং মুনিশার্দ্দুল অবলেপং বহ্যমিতে ।।১৪।।

হেঃ মুনি অথোইব! পুকচেল চাওবশিংগী মরীদ অতোপ অতোপ জাতিশিংন ব্রাহ্মণগী মকমদগী, আশির্বাদ লৌনরিবনি। অহৃদ মুনিন ইথল থম্বীদন অশেব নারক হেইব অচক্ক টনা পরেঃ অম ঐগী কোকথক্ত হাপ্পি'রি। অস্রি হায়ন ক্রোকথক্রগী তুলসী পরেং অহু লাপ লৈবাক্ত লণ্ড থোকখি ।।১৪।।

এতৎ শ্রুত্বা তু বচনং রামস্যাশুরুষা ন্বিতং।
শশাপ তুলসী দেবী রামনং রঘুনন্দনং ।।১৫।।

শ্রীরামচন্দ্রগী অসিগুম্ব অশাওব রাহৈ তাবদ তুলসী দেবীন; খুদক শ্রীরামচন্দ্রগী মকমদ শাপ তৌখি ।।১৫।।

যস্মান্মদাপলেপেন শিরিশো মাং বিমুক্তবন।
তস্মাদ্রাজেন্দ্র বৈদেহ্যাবিয়োগস্তে ভবিষ্যতি ।।১৬।।

হেঃ নিংথৌ অথোইব! ঐবু খঙদহুন ঐগী মশক ওইব পত্র অমসুং মঞ্জরীগী পরেংবু কোকগী লোথোক্রগ লৈবাক্ত হন্দোকপগুম নংগী লোয়নবী বিদেহ নিংথৌ মচানুপী জানকী সিতাগ থুনমক কায়নব ওইগু ।।১৬।।

শাপন্তাং স্বাং ততোদৃষ্ট্বা সীতা হৃদয় বল্লভঃ।
সক্রোধনয়নো দেবী স্থিদমাহ মহামতিঃ ।।১৭।।

তুলসী দেবীন তৌখিব শাপ অদু তারগ জানকীগী চায়থোইব শ্রীরামচন্দ্রন অশাওব মীৎয়েংন তুলসীগী মফমদ শাপ তৌগে তৌরক্লে ॥১৭॥

মরীচি উবাচ:—

তর্দ্দর্শনে মরীচি বলেন:—

সুপ্রসাদ মহারাজ ব্রজামি শরণং তব।
কথয়ামি পুরাবৃত্তং বিচিত্র মুনিভাষিতং ॥১৮॥

মদু উবদ মরীচিন হায়জখি—"মহারাজ শাওবিগনু ঐন নকমদ চংজরি। মমাংঙৈগী মুনিশিংন হায়নখিব রারি লৈখ্রে মদু ঐ অমুক্ত লীজগে তাবিয়ু ॥১৮॥

এষাহি তুলসীমালা ময়া দত্তা সুরেশ্বরে।
অস্যা বিচিত্র মাহাত্ম্যং মত্ত' সর্ব্বং নিশাময় ॥১৯॥

হেঃ লাইশিংগী মবুংঙো শ্রীরাম! ঐন ইবুঙোদ কৎখিব তুলসী পরেং অসিগী মতীক মগুণ করম্ব মওংনো হায়ব অদু ঐ হায়জগে তাবীয়ু ॥১৯॥

ইয়ংহি বৃক্ষরূপেন মহালক্ষ্মী প্রতিষ্ঠিতা।
ব্রাহ্মীয়ং পরমা শক্তি ব্রহ্মণো রোম সম্ভবা ॥২০॥

অসিগুম্বী মহালক্ষ্মীগী মশক ওইবী তুলসীন মর্ত্তলোক উ পাম্বী ওইন হৌথি। মহাক অসি ব্রহ্মলোকদি ব্রহ্মাগী তু-দগী পোকখিবী

অথোইবী ব্রহ্মশক্তি ওইরিবীনি। হায়বদি সাক্ষাৎ নারায়ণীগী মশক ওইরিবনি ।২০।।

ঋগ যজুঃ সাম বেদাদ্যা শাখা চক্র সমন্বিতা ।
যথা গঙ্গা যথা গীতা গায়ত্রীচ যথা মাতা ।।১১।।

মশা মরি লোঙ্বী ঋগ যজু, সামনচি'ব বেদ মরিন শেংবগুম অমদি গঙ্গা গীতা গায়ত্রী অসিন মরোল অহুম্মকপু শেংবীবগুম ব্রহ্মাদগী পোকথিবী পুম্নমক্কীমু মমা ওইরিবী মঙ্গল পীনহৈবী তুলসী দেবীনি ।।২১।।

যত্রৈষা বিদ্যতে সম্যক তত্র লক্ষ্মীঃ প্রতিষ্ঠিতা ।
ইমাং বিনা তথা লক্ষ্মী বিনাশয়ো পজয়তে ।২২।।

অসিগুম্ন পুম্নমকপু অপোকপীগী মশক ওইরিবী তুলসী দেবীন হৌরিব মফম অদুদ লক্ষ্মী লেঙদন লৈ। তুলসী হৌদ্রব মফম অদু লক্ষ্মী লৈতে ।।১২।।

এনা মারাধ্য দেব দেব মহাদেব জগৎপতি।
অসুর ঘোর নাম্নান জয়দ্রেন সঙ্কুলে ।।২৩।।

লাইগী লাই ওইব জগৎ মপু মহাদেবন তুলসী দেবীবু নিঙজবন লানফমদ ঘোর কৌব হিংচাববু জয় ওইব ঙমখি ।।২৩।।

এবমেষা মহাদেবী তুলসী বিশ্বরূপিনী ।
ত্যম প্যারাধ্যায় স্বেমাং বিজয় প্রাপ্সসি ধ্রুবং ।।২৪।।

মরন অসিন হেঃ রাম! অসিগুম্বী মহাদেবী ওইবী তাইবংপা•বগী মপু ওইবী তুলসীবু পূজা তৌবিযু শোয়দন মঙ্গল ওইগনি ।।২৪।।

এতৎশ্রুত্বাতু বচনং মহর্ষের্মধুসূদনঃ।
জগ্রায় তুলসী মালাং প্রণিপত্যচসাব্রং ।।।
জগ্রাহ বিটপতস্যা সর্ব্বকাম ফলপ্রদং ।।২৫।।

মহর্ষি মরীচিগী ৱাহ্ৰ তারগ মধুসূদন শ্রীরামচন্দ্রন জয় ওইনিংঙ্গুনা তুলসী পরেংবু য়াম্ন লূন তৌখি অমসুং যাম্ন অপাম্বগ লোযনন তুলসী পরেংবু কোক্ত অমুক হন্ন হাপকৎখি ।।২৫।।

ততস্তং ধন্ম্যমাস্থায় জগাম্ন্স্বগৃহং প্রতি ।
রোপয়িত্বা যথা ন্যায়ং পূজয়ামাস রাঘবঃ ।।২৬।।

অসিগী মতুংদ রঘু শ্যাগেগী মপু শ্রীরামচন্দ্রন অশেঙ্বধর্ম্মদ চঙ্হন য়ুমদ লাক্লগ লাইরিক হায়ব মতুংইন্ন তুলসী পাম্বী থারগ মুম্নিং খুদিংগী তুলসীবু পূজা তৌব হৌখি ।।২৬।।

যে চার্চ্চয়ন্তি মনুজা রোপয়ন্তি যথাবিধি।।
কুর্ব্বন্তি চ যে লোকাস্তেষাং সিদ্ধি র্ভবিষ্যতি ।।২৭।।

মী পূম্নমক নিয়ম চুম্ন তুলসী পাম্বী থাম্নগ মুম্নিং খুদিংগী পূজা তৌজব অমসুং তুলসীগী মগুণবু, শক-শোঙ্করবদি তৌজরিব থবক পুম্নমক পাঙ্থোকপ ঙমজগনি ।।২৭।।

মৎশ্য সূক্তে তুলসী রোপন ও পূজা বিধি।

সজলং তুলসী পত্রং শিরসা ধারয়ন্তি যে।
অর্ঘ্যং দত্ত্বা নমস্কৃত্য মুক্তিস্তেষাং করেস্থিতা॥২৮॥

অসিগুম্ন তুলসী ?চুম অমসুং পত্রবু কোক্ত হাপচরব নিযম চুম্ন অর্ঘ্য কৎতুন পূজা তৌজরব মীশিং অত্থুদি মুক্তি হায়বত্থু খুত্ত পায়রব-গুম্বনি ॥২৮॥

নদী তীরে শ্মশানেচ উষরে ম্লেচ্ছ সন্নিধৌ।
এনাং রোপনং যাতিমর্ত্ত্যা যমালয়ে॥২৯।

তুবেল মপান্দ মোংফমদ উংপুংদ অমদি ম্লশগী যুমদ তুলসী থারবদি মনগী য়ুমদ চংলি। হায়বদি চাওগ্রব নরক তাই ॥২৯॥

গৃহসৈশান্যাং পুরত খনিত্বা হস্তমাত্রকং।
পঞ্চগব্যং ময়ুরাণ্ড' ক্ষিপ্ত্বা তত্রাদনাগমে॥৩০॥
রোপয়িত্বা নিশাভাগে সুত্রেনাবেষ্টা সম্ভবা।
তন্মূলে পিণ্ডিকাং গৃহা হস্তমাত্রং সুবর্ত্তুলাং॥৩১॥

নৈরিব য়ুমগী মমাংদ নত্রগ চীংথৈরোমদ নত্রগ সুমাং ময়াইদ খুত্থপ অম লুন তৌরগ মত্থগী মমুংদ অয়ুক্ত পঞ্চগব্য হৈজিল্লু কোম মমুংদ রাহোং মরুম অম থাদরো অত্থগ তুলসী অত্থু নিংখিন থারো। অকোয়ব মায়কৈ মরিদ চৈ মখি য়ুংলো অত্থগ সুংদাংদ লংজা ৭ না

য়ুংলনিব চৈ মরি অদুবু চীংথৈরোম্বগী হৌন ৭ লক হুম্ন য়েংশিল্লু মথোঙ অকোয়বহ্নু লৈবাক্ত তুম্বক তুম্ন থোনগনি অদুগী অকোয়বদ চিথেক মরি নাইন লৈবাক থোক্তিন্দুন নিংথিম শেমগনি ॥৩০॥৩১॥

তুলসী পূজা :—

বারি ধারাঞ্চ নিঃক্ষিপ্য পূজয়েন্মতিমাননরঃ ।
গন্ধপুষ্পৈ স্তথাধূপৈশ্চঘৃত প্রদীপৈঃ ॥৩২॥

বেদীদ লৈরিব তুলসী পাম্বীদ মন্ত্র শোল্লগ ঈশিং হৈথদুনা স্নান তৌহনগনি ; অদুগ চন্দন, ধুপ মীগী থাউমৈ কৎকনি মতৌ অসুম্ন পূজা তৌগনি ॥৩২॥

পায়সৈ দধিভক্তৈশ্চ পূজয়িত্বা যথা বিধি ।
তুলস্যৈ নমঃ ইত্যুক্তা দদ্যা দর্ঘ্যং বিভুতয়ে ॥৩৩॥

শঙ্গোম অফম্ব তোংলব অহাওব চাক্ত হৌনবী মতুংইন্না পূজা তৌরগ "তুলস্যৈনমঃ" হায়রব মন্ত্র অসিন তুলসী দেবীদ অর্ঘ্য কৎচরবদি মতীক মঙগ চাওব পীনবি ॥৩৩॥

শঙ্খস্থিতং তোয়পূর্ণং দূর্বাক্ষত সচন্দনং ।
কুশাগ্রস্থ সপুষ্পঞ্চ একমর্ঘ্যং মুদীরিতং ॥৩৪॥

মথক্কী মন্ত্র অসিন মোইবুংদ ঈশিং, চন্দন, তিংতৌ, লৈ, চেং, কুশ মতোল য়াওন তুলসী দেবীদ অর্ঘ্য কৎকনি ॥৩৪॥

তুলসী ধ্যান :—

ধ্যা'য়েদ্দেবীং নবশশীমুখিং পক্কবিম্বাধরোষ্টিং ।
বিদ্যোতনীঃ কুচযুগভরাং নম্ৰকল্লাঙ্গ যষ্টিং ।।
ঈষদ্ধাস্যং ললিত বদনাং চন্দ্র সূর্য্যাগ্নি নেত্রাং ।
শ্বেতাঙ্গীং ভীতিহর বরদাং শ্বেতপদ্মাসনস্থাং ।।৩৫।।

থোরকপদ ঙায়রিব থাগী মায়থোং ওইবী, চিনবালন অমূনব তয়াল মানবী বক্ষস্তন অনিন নোয়-পেন্ন তনিক-তনিক ফজবী নোল্লুকপী হকচাং নোয়-পেনবী. চৈশু খুত্ত পা'বী মোমোন নোকপী মায়থোংন ওইবী মায় ফজবী মীৎ অনিন সূমিৎ-থাঙ্গম লংলবী কুচু ঙোবী থোইদোক্ল বিদবীগী শকফম ওইবী থম্বাল অঙোবদ ফম্বী তুলসী দেবীবু অস্সুম্ন নিঙ্জগনি ।

মথংদ অঙম্ব পোৎলম তরাতরুক নত্রগ পোৎলম মঙান তুলসী দেবীবু পূজা তৌজরগ পুক্লিং অনি লোঙ্দন মথাগী স্তোত্র অসি থীগনি ।।৩৫।।

তুলসী স্তোত্রং : —
মৎস্য সূক্তে ঈশ্বর উবাচ :—

ইন্দ্রাদৈঃ সকলো দেবৈ স্বচ্চিতাং সুরসুন্দরীং ।
ভক্তানাং বরদাং বন্দে তুলসী সৌম্যরূপিনীং ।।৩৬।।

ইন্দ্রনচিংব লাইশিংন পূজা তৌথ্রবী অয়িংব শকম ওইবী ভক্তশিংবু বর পীনবি তুলসীবু ৎুরুমজরি ।।৩৬।।

নাদ বিন্দু কলাতীতাং মুণ্ডমালাং তপস্বিনীং।
বাসুদেব রতাং বন্দে তুলসীং সৌম্যরূপিনীং ॥৩৭॥

খোম্বোক মরিক অমসুং কলাবিদ্যাগী থোইদোকপ শক্তম ওইরিবী মী মকোক পংংন লৈতেংবী বাসুদেবদ পুক্নিং লৈবী অথোইব ভপস্যাদ লৈবী অয়্নিংব শক্তম ওইরিবী তুলসী দেবীবু খুরুমজরি ॥৩৭॥

সর্ব্বদেব ময়ীং দেবী দেবগর্ভাং মনোরমাং।
যোগগম্য মহংবন্দে তুলসীং সৌমরূপিনীং ॥৩৮॥

দেবগর্ভা গায়ত্রীগী মশক ওইবী লাই পুম্নমক্কী শক্তম ওইবী অথোইবী পুক্নিং হুরবী অয়্নিংব শক্তম ওইরিবী যোগীশিংন যোগ তৌর্বিবী তুলসী দেবীবু খুরুমজরি ॥৩৮॥

সুরাসুর বিশেষজ্ঞাং সর্ব্বলঙ্কার ভূষিতাং।
ত্রিজগত জননীং তুলসী সৌম্যরূপিনীং ॥৩৯॥

লাই হিংচাবশিংগী মরম থোইন খঙবী অচুম-চুমদ লৈরিব পূম্ব খঙবিরিবী তুলসী দেবীবু খুরুমজরি ॥৩৯।

পদ্মহস্তাং পদ্মমুখীং পদ্মস্থাং পদ্মলোচনাং।
লক্ষ্মীরূপা মহং বন্দে তুলসীং সৌম্যরূপিনীং ॥৪০॥

থম্বাল মায়থোং ওইবী থম্বাল খুত্ত পায়বী থম্বাল মিৎতা তাবী থম্বালদ ফম্বী লক্ষ্মীগী মশক ওইবী অয়্নিংব শক্তম ওইরিবী তুলসী দেবীবু খুরুমজরি ॥৪০॥

সংক্রান্ত্যাঞ্চৈব পক্ষান্তে গ্রহণে চন্দ্রসূর্য্যয়োঃ।
যঃ পঠেৎ সংযতোভূত্বা সর্ব্বসিদ্ধি মবাপ্নুয়াৎ ॥৪১॥

সংক্রান্তি সুমিং পূর্ণিমা অমাবশ্যা, থা নত্রগ সুমিংকী গ্রহণ তৌরিবৈদ ভক্তিগ লোয়নন অসিগুম্ব তুলসী স্তোত্র অসিবু পাঠ তৌজরবদি নিঙ্‌ঙ্গিব পূম্ব থুংই ॥৪১॥

বিনা মন্ত্রং বিনা জপং বিনা যজ্ঞং বিনা ক্রিয়াং।
বিনা ধ্যানং বিনা তীর্থং সর্ব্বসিদ্ধি করং ভবেৎ ॥৪২॥

মন্ত্র শোন্দুন, জপ তৌব, ধ্যান তৌব তীর্থ স্নান তৌব হায়রিব পূম্ব করি অমত তৌদন তুলসী দেবীগী স্তোত্র অসিবু পুক্লিং অমত ওইন পাঠ তৌজরবদি সিদ্ধি পুম্নমক লায়ন ফংই। ৪২॥

ইদং গুরুকৃতং স্তোত্রং যঃ পঠেৎ সূনুয়াদপি।
মুক্ত করতলে তস্যমুক্তঃ সহিনসংসর ॥৪৩॥

মী মহাক অদুন অসিগুম্ব জগৎ গুরু শ্রীমহাদেবন তৌখিব স্তোত্র অসিবু পুক্লিং অমত ওইন পাঠ তৌজরবদি মুক্তি হায়বচু খুবাকৃত লৈরবনি। হায়র্বদি হিংন হিংন লালবনি মসিদ করি চিংননিংঙাই লৈত্রবনি ॥৪৩॥

মতাং অসিদ তুলসী স্থাপন রোপন পূজা বিধি তাকপ
মরিগুব লহরি লোইরে ॥

মণ্ডাশুবা লহরি

তুলসী কাষ্ঠ অমসুং তুলসী মালা, হৈগ্রু মালা, পদ্ম মালা শিজিন্নবগী নিয়ম অমসুং কান্নব

বিষ্ণু ধর্ম্মোত্তরে :-

ততঃ কৃষ্ণার্পিতা মালঃ ধারয়েৎ তুলসী দলে।
পদ্মাকৈ স্তুলসী কাষ্ঠৈঃ ফলে ধাত্রাশ্চ নির্ম্মিতা ।।১।।

তুলসী অডৌব অমসুং অমুব পত্রন লেংব পরেং, তুলসী কাষ্ঠন লেংব থমচেৎ মরুন লেংব, হৈগ্রু মহৈন লেংব পরেং শ্রীবিষ্ণুদ কৎলব মতুংদ গুকশমদ শিগনি ।।১।।

ধারয়ে তুলসী কাষ্ঠ ভূষানি চ বৈষ্ণবঃ।
মস্তকে কর্ণয়ো র্বাহেবাঃ করয়োশ্চ যথারুচি ।।২।।

সংসারদ লৈরিব মপুক্লিং লেপ্পব শ্রীবিষ্ণুগী ভক্ত ওইবশিংন কোক্ত, না অনিদ, পাম্বোম অনিদ, খুৎ অনিমক্ত তুলসী কাষ্ঠন লেংব মালা —শাব লৈভেং শিগনি ।।২।।

তথাচ স্কান্দে :—

সংনিবেদ্যৈব হরয়ে তুলসী কাষ্ঠ সম্ভবাং ।
মালাং পশ্চাৎ স্বয়ং ধত্তে সবৈ ভাগবতোত্তমঃ ॥৩॥

তুলসী কাষ্ঠন লেংব মালা (লিক) শ্রীবিষ্ণুদ নিংথিন কৎলব মতুংদ শিরিব মী অদো ভগবাণগী অথোইব মনাই ভক্তনি ॥৩॥

তথাচ স্কান্দে :-

শ্রীকৃষ্ণ অনর্পিত মালা ধারণ নিষেধ ।
হরয়ে নার্পয়েদ যস্তু তুলসী কাষ্ঠ সম্ভবাং ।
মালা ধত্তেয় স্বয়ং মূঢ় স যাতি নরকং ধ্রুবং ॥৪॥

শ্রীকৃষ্ণদ কৎতব মালা (লিক) শিব য়াদে। তুলসী কাষ্ঠন লেংব মালা (লিক) শ্রীবিষ্ণুদ কৎতন শিরবদি নরক তাই ॥৪॥

তথাচ মৎস্যাসূক্তে :—

অথ মাল্য শোধণ ।

ক্ষ্যালিতাং পঞ্চগব্যেন মূলমন্ত্রেণ মন্ত্রিতাং ।
গায়ত্র্যা চাষ্ট কৃত্যাভি মন্ত্রিতো ধূপয়েচ্চতাং ।
বিধিবৎ পরয়া ভক্ত্যা সদ্যোজাতেন পূজয়েৎ ॥৫॥

অহানবদ পঞ্চগব্যান শেংদোক্লগ মূলমন্ত্র কামবীজমন্ত্র শোনগনি, মালাদ গায়ত্রী নিপাল লক প্রপ তৌরগ অদুগী মতুংদ অমুক হন্ন কামবীজ মন্ত্র শোনগনি । মথংদ ধূপ থারগ মৈখু য়ৈহনগনি। মতুংদ ভক্তিগ লোয়নন বেদমন্ত্র "সদ্যোজাত" হায়ব মন্ত্রন পূজা তৌরগ শিবগী ব্যহমূর্ত্তি থোইদোকপ মন্ত্র "হৌং" বীজন পূজা তৌগনি ॥৫॥

মালা ধারণ মন্ত্র :—

তুলসী কাষ্ঠ সম্ভূতে মালে কৃষ্ণজন প্রিয়ে।
বিভর্ম্মিত্বা মহং কণ্ঠে কুরুমাং কৃষ্ণ বল্লভং ॥৬॥

হেঃ তুলসী কাষ্ঠনা শেম্ব মালা ! হে; কৃষ্ণগী চান্নবী ! ঐন নহাকপু শিজন্নি, ইবেম্মন ননাইবু শ্রীবিষ্ণুগী নাক্ত পুশিনবীয়ু, ইবেম্মদি শ্রীবিষ্ণুগী চান্নবী ভক্ত দেবীনি ॥৬॥

যস্মাত্বং বল্লভ: বিষ্ণো নিত্যং বিষ্ণুজন প্রিয়া।
তথা মাং কুরুদেবেশি নিত্যং বিষ্ণুজনপ্রিয়ং ॥৭॥

হেঃ তুলসী মালা ! হেঃ লাইগী মবেম্ম ! ইবেম্মদি শ্রীবিষ্ণুদ ভক্তি লৈবীনি শ্রীবিষ্ণু ভক্ত অথাইবীনি। ইবেম্মবু শ্রীবিষ্ণুন চানবীব বিষ্ণুভক্ত ওইবগুম্ন ঐহাকপুসু বিষ্ণুদ ভক্তি লৈহনবীত্নুন শ্রীবিষ্ণুগী মনাই ভক্ত অম ওইহনবীয়ু ॥৭॥

স্কান্দে মালা শব্দ ব্যুৎপত্তি :—

মালে "মা" ধাতুরুদ্দিষ্টো "লা" দানে হরি বল্লভে।
ভক্তেভ্যশ্চ সমস্তভ্য স্তেহ মালা নিগদ্যতে ॥৮॥

হেঃ হরিপ্রিয়ে তুলসী মালা ! "মা" শব্দন অনিঙ্ব ফল "লা" শব্দন পীবিব পুনশিল্লগ শ্রীকৃষ্ণভক্ত অপুম্বগী অনিঙ্ব নিজন্নিব পুন্নমকপু পীবি হায়বগী মালা কৌথি ॥৮॥

এবং সম্প্রার্থ্য বিধিবৎমালাং কৃষ্ণ গলেঽর্পিতাং ।
ধারয়েৎ বৈষ্ণবো যো বৈ স গচ্ছেৎ পরম পদং ॥৯॥

অসিগুম্ন শ্রীবিষ্ণুদ কৎলগ শ্রীবিষ্ণুগী ওকশমদ নিংথিন্ন থোল্লব মালাবু নির্ম্মাল্য ওইন ওকশগদ শিজরব মী অদু শিরব কালদ শ্রীবিষ্ণু পদ ফংই । ৯॥

তথাচ গারুড়েঃ—

ধারায়ন্তি ন যে মালাং হৈতুকাঃ পাপবুদ্ধয়ঃ ।
নরকান্ন নিবর্ত্তন্তে দগ্ধা কোপাগ্নিনা হরেঃ ॥১০॥

পাপকী রাখল চেনব মীশিংন মরম অসি খণ্ডন খণ্ড ন তুলসী মালাবু শিদে। মখোয়দু শ্রীহরিগী অশাওব মৈন চাকুন নরকতা তাই ॥১০॥

তথাচ স্কান্দেঃ—

নিত্যঞ্জন তুলসীমালাং যুক্তো যশ্চার্চ্চয়েদ্ধরিং ।
যদ্ যৎ করোতি তৎ সর্ব্বমনন্তফলদং ভবেৎ ॥১১॥

মী মহাক অদুন তুলসী মালাবু থাদোক্তন (হায়বদি ওকশবদ) শিজুন মুমিং থুদিংগী শ্রীবিষ্ণু পূজা তৌজরবদি মখোয়ন তৌজরিব থবক পূম্নমক অদুগী মহে লোইব নাইদন পীবি ॥১১॥

তথাচ নারদীয়েঃ—

যে কণ্ঠ সক্ত তুলসী নলিনাক্ষ মালা ।
যে বাহুমূল পরিচিহ্নিত শঙ্খ চক্রাং ॥
যে বা ললাট ফলকে সরলোর্দ্ধ পুণ্ড্রাঃ ।
স্তে বৈষ্ণবা ভুবন মাশু পবিত্রয়ন্তি ॥১২॥

মী অত্নন তুলসী কাষ্ঠমালা পদ্ম মালা ওকশমদ শিজন্নব অত্নগ পাম্বোমদন শঙ্খ চক্রনচিংবনী থুদম য়েকপ লাইবক্তন গোপীচন্দন শিরি নাইন ফজন থীনব অসিগুম্ব বিষ্ণুভক্ত ওইব নিপা অসি মরোল অহু৷ অসিগী মনুংদ মাগুম্ন শেংব ভক্ত অম লৈতরে ॥১২॥

তথৈব নারদীয়েঃ —

ভূজযুগমপি চিহ্নৈ রঙ্কিতং যস্য বিষ্ণোঃ।
পরমপুরুষনামা কীর্ত্তনং যস্য বাচি ॥
ঋজুতমপিপুণ্ড্রং মস্তকে যস্য কণ্ঠে।
সরসিজমনির্মাল্যং যস্য তস্যাস্মি দাস ॥১৩॥

দেবর্ষি নারদ মশামক্ত হায়খিঃ— মী মহাক্কী পাম্বোন অনিদ শ্রীবিষ্ণু চিহ্ন য়েন্নব হায়বদি শঙ্খ চক্রগী মোক্ত পাম্বোম অনিদ চন্দোন থীনব। তোয়ন হরিগী নাম শোনব, য়াম্ন শেংন সিরি নাইন লাইবক্ত চন্দোন থীনব, খোরিদম্ভু চিহ্ন য়াওন চন্দোন থীনব পদ্ম মালান মণিগী পরেংগুম্ন খোরিদ শিন্নিব মহাক অদো অশেঙ্‌ব শ্রীবিষ্ণু ভক্তনি ॥১৩॥

তথাচ বিষ্ণু ধর্ম্মোত্তরেঃ—

তুলসীকাষ্ঠমালাঞ্চ কণ্ঠস্থাং বহতেভূয় ।

অপ্যশৌচোপ্যনাচারো মানবঃ শুচিরেবচ ॥১৪॥

তুলসী কাষ্ঠ মালাবু তত্তন ওকশমদ শিত্নন লৈন্নিব মী মহাক অত্নু শেংদব লমচৎ নাইদব ওইসন্নু মতম পূন্নমক্ত অশেঙ্‌বনি ॥১৪॥

তথাচ স্কান্দে :—

ধাত্রী ফলৈঃ কৃতামালা তুলসীকাষ্ঠসম্ভবা ।
দৃশ্যতে যস্য দেহেতু সবৈ ভাগবতোত্তমঃ ॥১৫॥

হৈগ্রু পবেং অমস্থং তুলসী কাষ্ঠমালা ওকশমদ শিন্দুন হাংবদি মতম পূম্নমক্ত থাদোক্তন লৈহিব মী অদু অথোইব ভগবানগী ভক্তনি হায়ন সংসাবদ খঙ্ংগনি ॥১৫॥

যঃ পুনস্তুলসীমালাং কৃত্বা কণ্ঠে জনার্দ্দনং ।
পুজয়েৎ পুণ্য মাপ্নোতি পূষ্পং দত্তং গবা মৃতং ॥১৬॥

তুলসী মালা ওকশমদ শিরগ ভগবান শ্রীজনার্দ্দনগী সেবা তৌজবিব মী মহাক অদুন অশ্বমেধ যজ্ঞ লিশিং শুরাবক তৌবগী ফল ফংই ॥১৬॥

যাবল্লুণ্ঠতি কণ্ঠস্থা ধাত্রীমলা নরস্যহি ।
তাবত্তস্য শরীরেতু প্রীত্যা লুণ্ঠতি কেশব ॥১৭॥

তুলসী মালা নত্রগ হৈগ্রু পরেংন ওকশমদ হাইদুন লৈরিবমথৈ মী অদুগী মশাদ ভগবান শ্রীকৃষ্ণ লেঙদন লৈ ॥১৭॥

স্পৃশেচ্চ যানি লোমানি ধাত্রীমালা করে শুনাং ।
তাবদ্বর্ষসহস্রানি বসতি কেশবালয়ে ॥১৮॥

তুলসী মালা অমস্থং হৈগ্রুমালা পূন্ন শিরিব মীবু মী মহাক্ন থুংন শোকচরব মী অদুগী মশাদ হৌরিব তুগী মশিং অদুক চহি লিশিং লিশিং চুপ্প শ্রীবিষ্ণুধামদ লৈ ॥১৮॥

যাবদ্দিনানি বহতে ধাত্রীমালাং কলৌ নরঃ
তাবদ যুগসহস্রানি বৈকুণ্ঠে বসতি ভবেৎ ॥১৯॥

কলিগী যুগত হৈগ্রে পরেংবু ওকশমদ শিন্নুন লৈরিব মতম অচুক যুগ লিশিং লিশিংগী চাংদ মখোয় অচুন গোলোকত লৈ ॥১৯॥

মাল্য যুগ্মঞ্চ যো নিত্যং ধাত্রীতুলসীসম্ভবং ।
বহতে কণ্ঠদেশেচ কল্পকোটি দিবং বসেৎ ॥২০॥

মী মহাক অচুন তুলসী মালা হৈগ্রেমাল্লাবু পুন্ন ওকশমদ শিরিব। কোটি কল্প কয়াগী মতম শ্রীবিষ্ণু লোক লেঙ্দন লৈ ॥২০॥

তুলসী কাষ্ঠ সম্ভূতাং যো মালাং বহতে নরঃ।
ফলং যচ্ছতি দৈত্যারিঃ প্রত্যহং দ্বারকোদ্ভবং ॥২১॥

তুলসী কাষ্ঠ মালা ওকশমদ শিন্নুন লৈরিব মী অদুবু দৈত্যগী য়েক্লব পুণ্ডরীকাক্ষ শ্রীবিষ্ণুন লেঙদন লৈবগী মরম নিতিগী দ্বারকা ধামদ লৈবগী ফল পিবি ॥২১॥

বহতে যো নরো ভক্ত্যা তস্য নৈবাস্তি পাতকং ।
সদা প্রীতিমনা তস্য কৃষ্ণো দেবকী নন্দনঃ ॥২২॥

ভক্তিগা লোয়নন তুলসী কাষ্ঠ মালাবু ওকশমদ শিন্নুন লৈরিব মী অদুগী মশাদ পাপকী শকক অমত লৈত্রে। ভগবান দেবকী নন্দন শ্রীকৃষ্ণন মাগী মফমদ পেন্দুনত লৈ ॥২২॥

তুলসী কাষ্ঠ সম্ভূতাং যো মালাং বহতে নরঃ।
প্রায়শ্চিত্তং ন তস্যাস্তি নাশৌচং তস্য বিদ্যতে ॥২৩॥

তুলসী কাষ্ঠ মালাবু ঙকশমদ শিরিব মী অত্থন তৌখিব করিগুম্ব পাপকী প্রাযশ্চিত কী ভঙাইফদব লৈতে। অঙাংপোকপগী য়ুম্বাংবন মহাকপু শোকপ ঙম্‌দে ॥২৩॥

তুলসী কাষ্ঠ সম্ভূতাং শিরসো বাহুভরণং।
বাহেবাঃ করেচ মর্ত্ত্যস্য দেহে তস্য সদা হরিঃ ॥২৪॥

তুলসী কাষ্ঠন শাব মালা ঙকশমদ শিব অত্থগ কোক খুৎ অনি-মক্ত, পাম্বোম অনিদ তুলসী কাষ্ঠগী লৈতেংন শিত্থন মর্ত্তদ লৈবিব মী অত্থগী মশাদ ভগবান নাবাযন্ন লেঙ্‌দন লৈবী ॥২৪।

তুলসী কাষ্ঠ মালাভি র্ভূষিতঃ পুণ্যমাচরেৎ।
পিতৃণাং দেবতানাঞ্চ কৃতং কোটি গুণং কলৌ ॥২৫॥

কলি যুগত তুলসী কাষ্ঠগী মালা শিবগ পূণ্যগী থবক তৌব অমসুং পিতৃশিংগী শ্রাদ্ধ অত্থগ দেবতাশিংগী অবাধনা তৌজবব মহাক্কী পুণ্য অমতগী ফলন কোটিরক হন্ন তৌবগী ফল ফংই ॥২৫॥

তুলসী কাষ্ঠ মালাস্তু প্রেতরাজস্য দূতকাঃ।
দৃষ্ট্বা ন যাতি দূরেণ বাতোদ্ধৃত যথা দলং ॥২৬॥

তুলসী কাষ্ঠ মালা ঙকশমদ শিরিব মী অত্থ উবদ যমগী দূতশিংন লাপ্ন চেনথি। প্রমাণদি উদগী কেল্লকপ উনাবু হুংশিংন হুমত্থন লাপ্ন পাইথোকখিবগুম্বনি ॥২৬॥

তুলসী কাষ্ঠ মালাভি ভূ'ষিতো ভ্রমতে যদি।
দুঃ স্বপ্নং দুর্নিমিত্তঞ্চ নভয়ং শাস্ত্রজং ক্বচিৎ ॥২৭॥

তুলসী কাষ্ঠগী মালা ওকশমদ শিরগ কোয়ন চৎপ মহাকী ফত্তব মং মংবগী ফল ফত্তব অম ফাওব থোক্কে। খুজু খুংলাইন শোকপগী মৎংস্থ করিমত্তা লৈতে ॥২৭॥

মত্তাং অসিদ তুলসী কাষ্ঠ মালা পদ্ম মালা হৈগ্রুমালা শিজিন্নব হায়ব মঙাগুব লহরি লোইরে।



পরিশিষ্টাংশ

হাপচিল্লবা

দ্বাদশাক্ষর মন্ত্র ভজন।

স্তোত্রং

ভগবান বাসুদেব সর্ব্ব জীবের সাক্ষী স্বরূপ।

ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায় সর্বব জীব সাক্ষীণে নমঃ ॥

ভগবান বাসুদেব থরাই পানবশিংগী সাক্ষীগী মশক্কি! উবি উরিব জীব অপূম্ব ইবংে মহাক্কী শক্তমনি। অতুন ইবুঙোবু খুক্‌ংজৈ। অথোইব যোগী শ্রীকৃষ্ণ দ্বৈপায়নগী মচা শুকদেব গোস্বামীন শ্রীকৃষ্ণবু খুক্‌ংজরগ অসিগুম্ব মযেক তবানিথোইন ওইব স্তুতি অসিবু মযেক খুদিংগী তোপ্প তোপ্প লৈশি লৈথোনখি। মতুদি—

ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায়ঃ ॥

মন্ত্র অসি মযেক তরানিথোইন শাবনি। মযেক খুদিংগী তোপ্প তোপ্প শ্লোক অমমম শেমতুন শ্রীশুকদেব গোস্বামীন শ্রীবিষ্ণুবু লৈশি লৈথোনখি।

"ওঁ" ওঁমিতিজ্ঞানরূপেণ রাগজীর্ণেণ জীর্জিতঃ

কাম নিদ্রাং প্রপন্নোস্মি ত্রাহিমাং মধুসূদনঃ ॥১॥

হে; মধুসূদন। সংসারগী বিষযদ পুক্নিং চঙ্‌তুন লৈখন ভক্তিগী লম্বীদ য়োত্রব অতুগুম্ব চাব তুমত্রবগুম্ব লাযনান চাক্লব অনদি অপাম্বগী

তুম্মিংবন নমহৎখিবন মতুদ পুক্লিং চঙ্তুন লৈবর ঐবু ওঁ হাঃব জ্ঞানগী মৃশক ওইরব তত্ত্ব জ্ঞান পীবিদ্নুন মায়াগী মশক ওইরব সংসার অসিদগী ননাইবু কনবীয়ু ॥১॥

"ন" নগতির্বিদ্যতে নাথ ত্বমেকঃ শরণং প্রভো ।
পাপ পঙ্কে নিমগ্নোস্মি ত্রাহিমাং মধুসূদন ॥২॥

হেঃ মধুসূদন ননায়দি গতি লৈজদে, অমত্ত ওইব চঙ্জকমদি নঙ্তনি। পাপকী লৈখোমদ পুথতুন লৈবিবনি, মসিদগী ননায়বু কনবীয়ু ॥২॥

"মো" মোহিতা মোহজালেন পুত্রদারা গৃহাদিষু।
তৃষ্ণয়া পীড়্যমোনোহং ত্রাহিমাং মধুসূদন ।৩।

হেঃ মধুসূদন নুপী অঙাং ইমুং মমুং য়ুম্মানব হাযব মায়াগী লাংন শুদ্ধাংলব অমসুং অপাম খোংাংবগী কল্লব লায়না অসিদগী ননায়বু কনবীয়ু ।।৩।।

"ভ" ভক্তি হীনঞ্চ দীনঞ্চ দুখঃশোকাতুরং প্রভো।
অনাশ্রয় মনাথঞ্চ ত্রাহীমাং মধুসূদন ।৪।।

হেঃ ইবুঙো ননাইদি ভক্তি লৈত্রব তোল্লব, থম্মোই শোকপ অম্বাব মাখন্ন নাব্রব ঐহাক্লি অমসুং মপু লৈজত্রব চঙজফমসু লৈজত্রব ঐনি মসিদগী হেঃ মধুসূদন ননাইবু কনবীয়ু ।।৪।।

"গ" গতাগতেন শ্রান্তোঽহং দীর্ঘসংসারবর্ত্মসু।
যেন ভূয়ো নগচ্ছামি ত্রাহিমাং মধুসূদন ॥৫॥

হেঃ মধুসূদন! সংসারগী পোকপ শিবগী অশাঙ্ব লপ্টীসিদ হন্ন হন্ন চৎপদ চোকথরব ননায়নী, মসিদ অমুক হন্ন চত্তনব ননাইবু কনবীয়ু ॥৫॥

"ব" বহবোহপি ময়া দৃষ্টাঃ যোনিদ্বার পৃথক পৃথক।
গর্ভবাসে মহদ্দুঃখং ত্রাহিমাং মধুসূদন ॥৬॥

তোঙান তোঙানব মশীং লাকওমত্রব পোক্নকম থোং ময়াম উজরে, গর্ভ মন্নুংগী য়োন রাবনু খওজরে মসিদগী ননাইবু কনবীয়ু হেঃ মধুসূদন ॥৬॥

মতাং অসিদ শব্দোকপ রাকম থর পীজরিঃ—

"চৌরাশী লক্ষ যোনি ভ্রমন"
স্থাবর ত্রিংশল্লক্ষশ্চ জলযো নবলক্ষকঃ।
কৃমিয়ো দশলক্ষশ্চ রুদ্রলক্ষশ্চ পক্ষিনৌ ॥
পশবো বিংশলক্ষশ্চ চতুর্লক্ষস্তু মানবা ॥
এতেষু ভ্রমণং কৃত্বা দ্বিজত্ব মুপজায়তে ॥
মনুষ্য দুর্লভং জন্মং যদিস্যাৎ কৃষ্ণ সাধকঃ ॥

তথাহি শ্রীমদ্ভাগবতে দশম স্কন্দে প্রথম অধ্যায়ে শুকদেব পরীক্ষিতুক্তঃ নিবর্ত্যত বৈরূপ শ্রীরমানন্দিতি শ্লোকস্ত ব্যখ্যা গোস্বামী সোক্তং। কিঞ্চ শ্রীশ্রীচৈতন্য চরিতামৃতে মধ্যখণ্ডে শ্রীরূপ প্রতি প্রভু বাক্যম উনবিংশ পরিচ্ছেদ।

স্থাবরদ হাৎবদি উ রানচিংব লৈপাক্ত হৌবগী মপোক লখা বৃন্দা অমা মথংদ ঈশিংদ লৈব জীবশিংগী মপোক লখা মাপল অম মথংদ তীলগী জাত্ত মপোক লখা তরা অম মথংদ উচেকী জাত্ত মপোক লখা তরামাথোই অম মথংদ মখোং মরি পানব মুমশা লমশানচিংব মপোক লখা কুন অম। মথংদ মীওইবগী মপোক লখা মরি অম অসুম মপোক লখা মরিফুমরি চংলিব জীবনি। মহাজ্ঞানী শিংন তাকপিবম্বদি, মপোক লখা মরিফু হেক শুবদ ষণ ওইন পোকই ষণগী মপোক হেক লোইবগ মীওইবগী মপোক অসি লাকই হায়নৈ। অসিগুম্ব অমুক তাংখ্রগ হায়রদি রানা ভাগ্যরুকব মীওইবগী মপোক ফংলিঙৈসিদ ভক্তিমার্গদ চংশিন্দুন শ্রীকৃষ্ণ চবণ ফংনব তালহৌবন হেন্ন ফগনি।। মমা লখা মরিফুমবিগী মপোক লৈ হাযব রাফমসি শ্রীমদ্ভাগতকী তরাশুব স্কন্দগী অহানব অধ্যায়দ শ্রীশুকদেব গোষামীন পবিক্ষিতকী মফমদ তাকপিখিব মথকী শ্লোকী ব্যাখ্যা অমন শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃতগী ময়াইগী খণ্ডদ শ্রীরূপ গোষামীগী মফমদ শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুন তাকপিখিব ১৯শুব পরিচ্ছেদক শ্লোক সংক্ষা ১৩৯।১৪০ গী ব্যাখ্যাদ য়াওরি।

"তে" তেম দেব প্রপন্নোহস্মি নারায়ণ: পরায়ণঃ।
জগত্‌ সংসার মোক্ষার্থং ত্রাহিমাং মধুসূদন।।৭।

মরম অহুন হেঃ দেব নারায়ন! ইবুঙো নঙন অথোইব চঙজকমনি জগৎ সংসারগী অপুনবদগী নাম্বোকচব অহুতদি পীনবিয়ু হেঃ মধুসূদন।।৭।।

"বা" বাঞ্ছামি-যত্তৎপন্নং প্রণয়ামি তবাগ্রতঃ।
জরা-মরণভীতোহস্মি ত্রাহিমাং মধুসূদন ॥৮॥

হেঃ ইবুঙো হয়রম পোকপ শিব অমসুং অরাব অসিতবু কিজবদগী মঙ্গী নকমদ ইকোক নোম্দুন হায়জরি হেঃ মধুসূদন মতুদগী ননাইবু কনবীয়ু ॥৮।

"সু" সুকৃতং নকৃতং কিঞ্চিৎদুষ্কৃতঞ্চ কৃতংময়া।
সংসারে পাপপঙ্কেহস্মিন ত্রাহিমাং মধুসূদন ॥৯॥

অফব হায়বদু খজিক্ত ফাওব তৌজব্র ফত্তবত তৌদুনা সংসারগী পাপকী লৈখোমদ পুখ্রব ননাইবু অসিদগী অনুক্ত কনবীয়ু হেঃ মধুসূদন ॥৯॥

"দে" দেহান্তর সহস্রণাম ন্যোনঞ্চ কৃতং ময়া।
কর্তৃত্বঞ্চ মনুষ্যাণাং ত্রাহিমাং মধুসূদন ॥১০॥

তোঙান তোঙানবা মপোক লিশিং কয়া কয়াদ শকলোন হোংন হোংন ঐন পোকলুরে। শোকপ শিব কৌব অসিদগী হেঃ মধুসূদন ননাইবু কনবীয়ু ॥১০।

"বা" বাক্যেন প্রতিজ্ঞাতং কর্ম্মনা নোপপাদিতং।
সোহংদেব দুরাচার ত্রাহিমাং মধুসূদণ। ১১॥

নয়াথংন খঙ্হনবিরব ফাংবদ কর্ম্ম ফঙবন মরন ওইদুন নয়াথং পাঙ্থোকচব ওমজত্রব লমচৎ ফত্রব'দু ননাইনি হেঃ মধুসূদন মতুদগী ননাইবু কনবিয়ু॥১১॥

"য়" যত্রো যত্রোহি জাতোহস্মি স্ত্রীযুবা পুরুষে যুবা।
তত্র তত্রাচলা ভক্তি ত্রাহিমাং মধুসূদন ॥১২॥

নুপী ওইন নুপা ওইন পোকনু পোকনুব মফম অদুদ ইবুঙো নংগী নফমদা লেঙ্‌দব ভক্তি লৈব অদুতদি পীনবিয়ু হেঃ মধুসূদন ॥১২॥

দ্বাদশাক্ষর মহাত্ম্যাং যঃ পঠেৎ বিষ্ণু সন্নিধৌ।
কোটি জন্মকৃতং পাপং পঠনা দেব নস্যতি ॥

অসিগুম্ব মযেক তরানিথোইন শাব ভগবানগী মতীক মগুণ অসিবু মী মহাক অদুন শ্রীবিষ্ণুগী মাঙ্‌দ পাঠ তৌজরবাদ মপোক কোটি অমদ তৌখ্রব পাপ পুম্ব পাঠ তৌরিব খুদক অদুদ লোইন মাঙ্‌খি।
ইতি—

মতাং অসিদ দ্বাদশাক্ষর মন্ত্র ভজন তৌবগী
মহাত্ম্য অসিদ লোইজরে।

বৃন্দাদেবী উৎপতি

তথাহি কালিকা পূর্‍্যণে :—

চণ্ডমুণ্ড বিনাশনাৎ পৃথিবী বন মধ্যরং ।
কালি ধর্ম্ম পরিভ্রষ্টং কুণ্ডশ্চৈব ভবেদ ধ্রুবং ॥
কালিন্দি মতি বিখ্যাতং দেব ভৈরবী দুর্লভং ।
তস্মিন্নিতং জপ দাণাৎ প্রয়তি পরমং পদং ॥

পয়ার ভাষা :—

চণ্ড মুণ্ড বধ করি কালি রূপ ধরি ।
বিশ্রাম করিলা বনে হৈয়া একেশ্বরি ॥
পদভরে বসুমতি যায়ে রসাতলে ।
হেন কালে মুণ্ড আছি তথা করি রণে ॥
বধিলেক বনে শব্দ কম্পে দেবগণে ॥
কালি অঙ্গশ্রম জল পড়িনু ধরনি ।
আমৃত কালিন্দি কুণ্ড হইনু তখনি ॥
মুণ্ড বধ করি কালি শিব বুকে স্থির ।
কালি জল প্রণাশিব রাখিলা শরির ॥
কালি পদভরে শিব রসাতলে যাইয় ।
বীজরূপে বৃন্দা ছিল শঙ্করের জটায় ॥

যখান কালির পদতলে ছিল হবে ।
তখনে ছুটিল জটা ধরণি উপরে ।।
চৌরাশি ক্রোশের মানে ছুটাইল জটা ।
সেইকালে ধরণিতে পড়ে বীজ গোটা ।।
অচম্বিতে সেই বীজ হইলেন বৃক্ষ ।
বলিতে নারিমু কেই দেবের অলক্ষ্য ।।
বৃক্ষ মূলে পূজা করে যত দেবগণ ।
মূর্তিমন্ত মত্ত হইয়া বৃন্দা দিল দরশন ।।
দরশনে দেবগণ সন্তুষ্ট হইল ।
বৃন্দাবন নাম রাখিলা সবেই গেল ।।
বৃন্দাদেবী কালিন্দিতে করিস্নান দান ।
রহিলা গোবিন্দ লীলা করিয়া ধিয়ান ।।
এইমতে পৃথিবীতে বৃন্দাবন ধ্যান ।
জানিহ তুলসী বৃক্ষ কেবল কারুণ্য ।।
যেখানে তুলসী বৃক্ষ তথা বৃন্দাবন ।
সর্ব্ব তীর্থ পরে সেই করে সেবন ।।
মূলেতে জাহ্নবী সদা সঙ্গে দেবগণ ।
পত্র বুদ্ধি না করিহ পত্রে নারায়ণী ।।
কালিন্দিতে স্নান করি সতী বৃন্দা দেবী ।
আপনে হইল ধন্য পরম বৈষ্ণবী ।
দ্বীজ জনার্দ্দন কহে প্রেম তদঙ্গীনি ।।

ভাষা অর্থ পয়ার ঃ—

চণ্ড মুণ্ড হাৎঙৈদ কালি শকক্ষম লৌদ্রুন।
ইবেম্মন পোৎথাখি বোনত্তুদ মুণ্ডাইন॥
খোংগী অরাম্বন পৃথ্বি নমথখি রসাতলদ।
মুণ্ড লাকখি কম্ন লান শোরুখি মতমদো॥
লাইশিং নিরুখি তাবদ মুণ্ড হাৎপ মখোল।
হকচাং হুমাং তাখি পৃথ্বিদ মুণ্ড হাৎপদ কালি॥
কালি হুমাংন ওইখিবগী কৌনখি কালিন্দি।
অমৃত তুঙ্ক্ষম কুণ্ড ওইখি মফমদো॥
পোথ্বাংখি কালি মহাদেবগী থবাক্ত নেৎতুন।
কালি হুমাং থমখি মহাদেবন হকচাংদ।
কালি অরাম্বন চংখি মহাদেব রসাতলদ॥
মরূওইন লৈরমই বৃন্দা শিবগী জটাদ।
মহাদেবন লৈরিঙৈ কালিগী খোং মথাদ॥
জটাদো শনদোকখি লৈমাইথক্ত পাক্ন॥
মরূশিং ভাখি মতম্ত্তু লৈমাইদ শন্ন।
পাম্বী ওইখি মতমদো মরূশিং খঙ্হৌদন॥
অঙকপ লাইগী নোংদম্ব থজনি কমান।
পাম্বীশিংগী মখোঙ্দ পূজা তৌখি লাইশিংন॥
বৃন্দা মূর্ত্তি লৌদ্রুন উহনখি লাইয়াম্বু থজন।
মপুক্কিং পেম্নখি মাবু উবদ লাংশিন॥

মরম অতুদগী কৌথি মফমতু বৃন্দাবন ।
বৃন্দা দেবী স্নান দান তৌথি কালিন্দিদ তত্তন ।।
গোবিন্দ লীলা শান্নখি তত্তন মফমদো ।
অস্মুম তৌন বৃন্দাবন ছায়নখি পৃথিদ ।
তুলসী পাম্বী থৌজালহৈবী পাপকোক্সবীনি ।
তুলসীন হৌরিব মফমদো বৃন্দাবননি ।।
তীর্থ খুদিং সেবা তৌন লৈ মখোঙ্দ তত্তন ।
গঙ্গা লৈ মখোঙ্দ লাইশিং লোয়নন তত্তন ।।
নারায়নীগী মশক্নি মনানি খনফদে ।
স্নান তৌথি বৃন্দাসতী তত্তন কালিন্দিদ ।।
পূণ্য চেনবী বৈষ্ণবী ওইখিদো মহাকন ।
দ্বীজ জনার্দ্দনন লেংজৈ প্রেমতরঙ্গীনি ।।

য়েংসিনবিগদব ঃ—

মখাগী শ্লোকশিং অসিদি মন্ত্রণাক ওইব মরম্ন শব্দোকপ অর্থ পীজত্রে ।।

বৃন্দাষোড়শনাম মহাত্ম্য

তথাহি নারদ পঞ্চরাত্রে ঃ—

বৃন্দারণ্য প্রিয়া বৃন্দা বৃন্দাবন বিলাসিনী ।
বিলাসিনী বৈষ্ণবী চ ব্রহ্মলোক প্রতিষ্ঠিতা ।।
রাধা ষোড়শনাম্নশ্চ বৃন্দানাম শ্রুতৌ শ্রুতম ।
তস্যা ক্রীড়াবনং রম্যং তেন বৃন্দাবনং স্মৃতম্ ।

ষোড়শনাম যথা :—

তুলসী শ্রীমহালক্ষ্মী বিদ্যা বিদ্যা যশস্বিনী ।
ধর্ম্ম্যাধর্ম্ম্যাননা বৃন্দা দেব দেবমনঃ প্রিয়া ॥
লক্ষ্মী প্রিয়সখী দেবী দ্যৌর্ভূমিরচলা চলা ।
ষোড়শৈতানি নামানি তুলস্যা কীর্ত্তয়েন্নরঃ ।
লভতে সুতরাং ভক্তিমন্তে বিষ্ণুপদং তথা ।
তুলসীর্ভূর্মহালক্ষ্মী পদ্মিনী শ্রীহরিপ্রিয়া ॥
তুলসী শ্রীসখিশুভে পাপহারিনী পূণ্যদে ।
নমস্তে নারদস্তুতে নারায়ণ মনঃ প্রিয়ে ॥

তুলসী জাগরণ মন্ত্র :—

উত্তিষ্ঠ তুলসী দেবী গাত্রোত্থানং কুরু যথা ।
অরুণোদয় প্রাতঃ শ্রীচরণে প্রণমাম্যহম্ ॥

তুলসী প্রদক্ষিণ মন্ত্র :—

যানি কানি চ পাপানি ব্রহ্মহত্যাদিকানি চ ।
তং সর্ব্বং বিলয়ং যাতি তুলসী ত্বং প্রদক্ষিণাৎ ॥

তুলসী মূল লেপন মন্ত্র :—

তুলসী নিপয়তে গঙ্গা স্থানে মেকং বারাণসী ।
সেবনে পঞ্চতীর্থানি তুলসীভ্যাং নমো নমঃ ॥
তুলসী ত্বং সদাভক্ত্যা সর্ব্বতীর্থং ফলং ভবেৎ ।
লেপণাৎ তব মূলঃ সর্ব্ব পাপৈ প্রমুচ্যতে ॥
তন্মূলে সর্ব্ব তীর্থানি তং পত্রে সর্ব্ব দেবতা ।
ভদদে সর্ব্বপুণ্যানি কৃষ্ণ ভক্তি প্রদায়িনীং ॥

তুলসী স্নান মন্ত্রঃ—

গোবিন্দ বল্লভাং দেবী ভক্ত চৈতন্যকারিণীং।
স্নাপয়ামি জগদ্ধাত্রীং কৃষ্ণ ভক্তি প্রদায়িনীং ॥

কিঞ্চ

গোবিন্দং বহ্লবা দেবী জগৎ চৈতন্ত কারিণীং ॥
স্নাপয়সি জগদ্ধাত্রী কৃষ্ণভক্তি প্রদায়িণীং ॥

তুলসী চয়ন মন্ত্রঃ—

তুলস্যমৃত জন্মাসি সদা ত্বং কেশব প্রিয়া।
কেশবার্থে চিনোমি ত্বাং বরদা ভব শোভনে ॥
তদঙ্গ সম্ভবৈ পত্রৈঃ পূজয়ামি যথা হরিং।
তথা কুরু পবিত্রাঙ্গি কলৌমল বিনাশিনী ॥
চয়ণোদ্ভব দুঃখাস্তে যদ্দেবী ! হৃদি বর্ত্ততে।
তৎক্ষমস্ব জগন্মাত স্তুলসী নমাম্যহম্ ॥

তুলসী স্তুতি :—

মহাপ্রসাদ জননী সর্ব্ব সৌভাগ্য বর্দ্ধিনী।
আধি ব্যাধি হরি নিত্যং তুলসী ত্বং নমোহস্তুতে ॥

তুলসী ধ্যান : —

তুলসী সর্ববভূতানাং মহাপতক নাশিনী।
স্বর্গা পবর্গদে দেবী বৈষ্ণবানং প্রিয়ে সদা ॥
সত্যে সত্যবতী চৈব ত্রেতায়াং মানবী তথা।
দ্বাপুরে অবতীর্ণাসি বৃন্দা ত্বং তুলসী কলৌ ॥

তুলসী আরতি

নমো নমঃ তুলসী শ্রীকৃষ্ণ প্রেয়সী।

রাধাকৃষ্ণ পদপাব এই অভিলাষী ॥

যে তোমার শরণলয় তার বাঞ্ছাপুর্ণ হয়,

কৃপা করি কর তারে বৃন্দাবন বাসী।

মোর মনে এই অভিলাষ, বিলাস কুঞ্জে করব বাস।

নয়ণে হেরিব সদা যুগল রূপ রাশি ॥

এই নিবেদন ধর সখীর অনুগা কর,

সেবা অধিকার দিয়ে কর নিজ দাসী

দীন কৃষ্ণদাস কয়, এই যেন মোর হয়,

শ্রীরাধা গোবিন্দ প্রেমে সদা যেন ভাসি ॥

সম্পূর্ণ—লোইজ্জরে।

